# ALL NATIONS GOSPEL PUBLISHERS



Copyright ANGP

www.angp-hb.co.za

info@angp.co.za

*MANIPURI Heart Book*

# মীওইবগী থম্মোই

নত্রগা

# থম্মোইগী মিংশেল

( লাইয়েক তরাদা পান্দম পীতুনা তাকপা )

য়েক-খোত্তুনা তাকপা য়াওরিবা লাইরিক অসি ফ্রেঞ্চতগী শোক ১৭৩২ দা হৌরকখিঁবনি। মসিবু “থম্মোইগী মিংশেল” নত্রগা “মীওইবগী থম্মোই” হায়না থগৎনৈ। অশেংবা শাস্ত্রগী মনুং হুজ্জিনবা অমদি মমল য়াম্না লৈবা অচুম্বনা হৌফম ওইবা মরম্না লাইরিক অসি ঙসি ফাওবা ইয়ুরোপকী লোন খুদিংমক্তা অমস্তুং আফ্রিকাগী লোন অয়াম্বদা য়েনথোকলি অমস্তুং অচৌ-পিশক অমদি জাতী-বিজাতি থায়দনা মীশিংনা পানরি।

ঈশ্বরনা ‘অরিবা ৱারেপ্নবা’ দা ৱারেপ্নবিরম্লবা অতুগা ‘অনৌবা ৱারেপনবদা’দা থুংখ্রবা, “অনৌবা থম্মোই অমা ঐনা নখোয়দা পীগনি অমদি অনৌবা থৱায় অমা নখোয়গী নুংদা থম্মীগনি” ( যিহেসকিয়েল ৩৬:২৬; ইব্রীয় ৮:১০ ) হায়বা অচুম্বা অসি মীওই কয়ামকুম্না হকথেংননা যংনখ্রে।

***J. R. GSCHWEND.***

**COPYRIGHT**

ISBN 0 - 908412 - 63 - 0

E-MAIL : info@angp.co.za

**ALL NATIONS GOSPEL PUBLISHERS**

**P.O. Box 2191, PRETORIA, 0001, R.S.A.**

(A Gospel Literature Mission financed by donations)

(Reg. No. 1961/001798/08)

পাপ তৌবা মী খুদিংনা ৱায়েন-য়াথংস্থ ইন্দে ; মরমদি পাগ হায়-বসিদি ৱায়েন য়াথং ইন্দবনি।

অদুগা নখোয়না খঙই, হায়বদি ঐখোয়গী পাপ পূম্নমক পুবিনবা ইবুংঙো যীশু খৃষ্টবু ফোংদোকপীরে ; ইবুংঙোদদি পাপ খক লৈতে।

ইবুংঙোদা লৈবা মী অদুনা পাপ লৈতে ঃ পাপ্পা লৈবা মী অদুনা ইবুংঙোবু উস্থ উদ্রি, খঙস্থ খঙদ্রি।

নুংশিরবা অঙাংশা, মী কনা অমতনা নখোয়বু শেরান্নবা চিংদসনু ঃ অচুম্বা তৌরিবা মহাক ধর্ম্ম চেনবনি, মহু ইবুংঙো মহাক্না ধর্ম্ম চেন্বা ওইবগুম্না ওইরিবনি।

পাপ তৌরিবা মহাক অদু দিয়াবোলদগীনি ; মরমদি দিয়াবোলদি অহৌবদগী পাপ চেল্লকই। মরম অসিমক্না দিয়াবোলগী থবক মাঙহন্নব-গীদমক ঈশ্বরগী মচানিপা অদুবু ফোংদোকপীরে।

ঈশ্বরদগী পোক্লবা মী খুদিংমক পাপ তৌদে ; মরমদি ইবুংঙো মহাক্কী মক্ক মঙোন্দা লৈখ্রে ঃ অদুনা মহাক্না পাপ তৌহুনা লৈবা ঙমদে মরমদি মহাক ঈশ্বরদগী পোক্লবনি।

মসিদা ঈশ্বরগী মচাশিং অমসুং দিয়াবোলগী মচাশিং অদু ফোংদোক্লি ঃ অচুম্বা চত্তবা মহাক অদু ঈশ্বরগী নত্তে, অদুগা মচিন-মনাওবু নুংশিদবা মহাক অদুস্থ নত্তে।

( ১ যোহান ৩ঃ৪-১০ )

Copyright ANGP

# মীওইবগী থম্মোই

## ঈশ্বরগী অশেংবা শঙ নল্লগা সৈতানগী মকোন

[১ যোহান ৩:৪-১০]

লাইরিক অসি পাবা হৌবগা লোয়ননা মসি নহাকপু উহনবিবা মিংশেল অমগুম্বনি হায়না ৱাখলদা থম্বীরগা পাবীয়ু। নহাক খৃষ্টান ওইরম্বা য়াই, ওইরমদবা য়াই, থাজদ্রিবা নল্লগা পুক্নীং হন্থরম্লবা অমা ওইবা য়াই নহাক নশামকপু ঈশ্বরনা উবিবগুম্না উজবা ঙমগনি। "মীনদি মপান্থোংগী ওইবা অতুদা য়েংই, অতুবু ঈশ্বরনদি থম্মোইন্থুংদা য়েংই" (১ সামুয়েল ১৬:৬)। ঈশ্বরদি মীশক মীমায় য়েংদে।

সৈতান্দি মীনম চিন্থিবা পূম্নমক্কী মপানি। মহাক্তি মশামকপু মঙানগী স্বর্গদূতকুম্না ওন্থোক্তুনা নিপা অমস্তুং নুপীশিংবু মীনম্লিবা মপু অমস্তুং তাইবংপানগী লাইনি। মমাংদৈগী মতমদা থোকখিবগুম্না হৌজিক্কী মতমদসু খৃষ্টগী তুং ইনবনি হায়না তাং তৌশিন্নবা, চুমদবা পাথোনচৎপা অমস্তুং মীনম্বশিং য়াম্না লৈ। মসি অঙকপা নত্তে, মরমদি সৈতান মশামক মঙানগী স্বর্গদূতকী মশক লৌখ্রে (২ কোরিন্থ:১১:১৩,১৪)। ঈশ্বরনা মখোয়বু নুংশিবি অমস্তুং যীশু খৃষ্টনা মখোয়গী পাপ কোকপিনবা শিবিখ্রে হায়বসি খঙহন্দনবা সৈতান্না মীশিংগী মমিং তাংহনখ্রে। পাপ চেনবা অমস্তুং থাজদ্রিবা (খৃষ্টবু থাজহনা লৌশিন্দ্রিবা) মী খুদিংমক ঈশ্বরগী মফমদদি অশিবনি অমস্তুং মিতাংবনি। মখোয়গী মথক্তা তাইবংপান অসিগী থৱায়না পাল্লি (এফিসা ২:২)। অমাঙবগী ফিবম অসি করিগুম্বা মওং



Copyright ANGP

অমদগী মখোয়বু উহনবিবা নত্রবদি মখোয় লোম্বা নাইদনা ফংগদৌরিবা অমাঙ-অতাক অদুদা চঙশিল্লি। মরমদি কনাগুম্বনা "ঐগী পাপ লৈতে" হায়রবদি মহাক অদু মশা মথন্তবু মীনমজবনি। "দিয়াবোলগী থবক মাঙহন্নবগীদমক ঈশ্বরগী মচানিপাবু ফোংদোকপিরে" (১ যোহান ৩:৮)। "মরম অদুনা ঈশ্বরগী মফমদা নশাবু শিন্নজৌ। দিয়াবোলগা মায়োক্নৌ, অদুগা মহাক্না নঙোন্দগী চেনখিগনি। ঈশ্বরদা নকশিজৌ, অদুগা ইবুংঙো মহাক্না নঙোন্দা নকশিনবিগনি" (যাকোব ৪:৭,৮)।

নহাক্না লাইরিক মচাসি পাবা অমসুং লাইয়েকশিংসি নৈনবদা নশামক্কী থম্মোইবু উবা ফংজগনি। ঈশ্বরগী থিদোকপিবা মঙান অদু চঙহনবিরগা নহাক্কী থম্মোইদা ফিবম অদু ফোংদোকহনবিয়ু। নহাক্কী পাপশিং অদু হায়দোকপীয়ু পাপশিংদু লৈ হায়বা য়াদবা তৌবিয়ু মরমদি ঈশ্বরগী ৱাহৈনা ঐখোয়দা অসুম হায়বিরি, "ঐখোয়না ঐখোয়গী পাপ লৈতে হায়রবদি ঐখোয় ইশা ইথন্তবু মীনমজবনি, অদুগা অচুম্বা অদু ঐখোয়দা লৈতে। অদুবু ঐখোয়না ঐখোয়গী পাপ হায়দোকচরবদি, ঐখোয়গী পাপ কোকপীনবা, অমসুং ধর্ম্মচেন্দবা পূম্নমক্কী ঐখোয়বু শেংদোকপীননবা ইবুংঙো মহাক্তি থাজবা যাবা অমসুং অচুম্বনি" (১ যোহান ১:৮-১০)। "ইবুংঙো মহাক্কী মচানিপা যীশুগী ঈনা ঐখোয়বু পাপ পূম্নমক্কী শেংদোকপি।"

সৈহান্না নহাকপু খুদুম চল্লি, নত্রগা ঈশ্বরনা নহাকপু লোয়নবিরি। নহাক পাপকী মীনাইনি নত্রগা ঈশ্বরগী মনাইনি। পান্না নথক্তা পান্নবদি মদু য়াশিন্নদবা নত্রগা লোংপা তৌবিগনু অদুবু ঈশ্বরগী মথমদা নোক্জৌ। পাপ চেম্বশিংবু কাম্বিনবা, সৈতানগী পাঙ্গলবু অমসুং নথক্তা লৈরিবা পাপপু মাঙহন্নবা পাইবংপান্দা লেঙবিরকহবা ইবুংঙো যীশু খৃষ্টগী মপান্না নহাকপু নীংতমহনবিগনি। ইবুংঙো মহাক্তি ঐখোয়বু

Copyright ANGP


পাপ্তুগী হন্দোকপিবা লাক্লিবা লা খবা মপুনি। অরোন-অথুপ খুদিংমকপু উরিবা, নহাক্না খল্লিবা হাথল অমসুং পাঙথোক্লিবা থবক খুদিংমকপু খঙলি-উরিবা অশেংবা ঈশ্বরগী মাঙদা নহাক লেপ্লিবনি। নহাক নশামক অমদি নহাক্কী থবকশিং অদু ইবুংঙো মঙোন্দগী লোংপা ওইথোক্তবনি, মরমদি, “নাকোংবু হাপ্পিখিবা ইবুংঙো মহাক্না তারোইদ্রা? মিংপু পানবিখিবা ইবুংঙো মহাক্না উরোইদ্রা?” “ইবুংঙো মহাক্কী মাঙদা থম্মোই শেংজবা মখোয়গী মরমদা ইবুংঙো মশামক মতিক চাউবনি হায়বদু ফোংদোকপিনবা ইবুংঙোগী মিংম্নানা তাইবংপান পুম্বদা কোয়েং য়েংদুনা লৈরি” (ইতিহাস ১৬:৯)।

“ইবুংঙোগী মিংম্নানা মীশিংগী মতৌ য়েংলি, মীশিংনা চংলিতৌরিবা খুদিংমক ইবুংঙোনা উবিরি। ফত্তবা থবক তৌরিবশিংনা লাংনবা অমম্বা মফম নত্রগা থুপ্নফম ওইগদবা শুক্না মম্বা মফম থক লৈতে” (ইয়োব ৩৪:২১,২২)।

ইবুংঙো “যীশুনা মশাবু মখোয়দা থাজনা শিন্নদে, মরমদি ইবুংঙোনা মী পূম্নমকপু খঙই” (যোহান ২:২৪)।

মরম অদুনা “অয়োন-অরান কোকপিগ্রবা অমসুং মপাপ কুপশিনবিগ্রবা মী অদু য়াইফবনি। যহোবানা মাগী মথক্তা অয়োন-অরান শিংথাবিদ্রবা অমসুং থরায়দা মরৈ-মরা লৈতবা মী অদু য়াইফবনি” (স্তোত্র ৩২:১,২)। স্তোত্র মশীং ৫১ শুবা অদুসু পাবিয়ু। ইবুংঙো যীশুনা ওসিসু অসুম্না কৌবিরি, “থবক ৱানা শুবা অকসুং পোংলুম পুবা পূম্নমক ঐগী মফম লাকউ, ঐনা নখোয়বু পোৎশাহনবিগনি” (মথি ১১:২৮)।

Copyright ANGP



(১) পাপ চৌবা মীগী থম্মোই।

# লাইয়েকশিংবু শুগায়না তাকপা

## অহানবা লাইয়েক

লাইয়েক অসিনা উংলিবসি ঈশ্বরগী থৱায় অশেংবনা নৌহনবিবা লৈত্রিবা তাইবংপানগী ওইবা নিপা নত্রগা নুপীগী থম্মোইগী মতৌনি। মসিবু বাইবলনা পাংচেনবা থম্মোই হায়না খঙহল্লি, হায়বদি তাইবংপানগী থৱায় অহুনা মথক্তা পাল্লিবা, হকচাংগী অপাম্বা অমসুং অনীংবনা চিংহুনা লৈরিবা মী অহুবুনি। মসি ঈশ্বরনা উরিবা থম্মোইগী অশেংবা ফিবম অহু ফোংদোকপনি। অঙাংবা অমসুং অহুঙ্গা মিং অসিনা য়ু ঙাওবগী মতৌ ফোংদোকই ঃ "কনাগী অৱাবা লৈবগে? কনাগী নুংঙাইতবা লৈবগে? কনাগী থংনং-চৈনবা লৈবগে? কনানা চবেঙ-চবেঙ ঙাঙবগে? কনাগী মরম চাদনা শোক-পনবগে? কনাগী মিং ঙাংবগে? য়ুগা মতম শাংনা তোংনবা মখোয়হুনি; য়ানশিন্নবা য়ু ফংনবা থিবা মখোয়হুনি। য়ুনা মচু ঙাংশং ঙাংনা ঙাংলক্রবদা, মহুগী মচুনা তেঙ্গোত্তা মচু ফজরক্লবা মতমদা, মহুনা চপ-চাবা মচু ওল্লক্রবদা নহাক্না য়েংলুগনু অকোনবদা মহুনা লীনগুম্না চীক্রক্কনি অমসুং মহু চেনবা লীন অমগী মমুনা থিনবগুম্বা ওইগনি। নহাক্কী নমিৎনা লম্লানবী নুপীশিং উরক্কনি অমসুং নহাক্কী থম্মোইদগী ফত্ত-ফত্তবা ৱা ঙাঙথোক্লক্কনি" (পাউরৌ ২৩ঃ ২৯-৩৩)।

লাইয়েক অসিগী কোকী মখাদা শা মথল-মখা অয়াম্বনা তিল্লিবা মীওইবগী থম্মোই উবা যংলে। কোঙান-কোঙানবা শাশিংসিনা থম্মোইগী মথল কয়াগী পাপশিংবু ফোংদোক্লি মরমদি থম্মোইদি পাপকী লৈফমনি

Copyright ANGP

অমসুং তুংনঙমনি। ঈশ্বরনা ইবুংঙো মহাক্না ৱা তাকথোকপা মনাই যিরমিয়াগী মচীন্দগী অহুম্না হায়দোকপীরমই, "মীওইবগী থম্মোইনা অদৌত পূম্নমক্কগী হেন্না লৌনম চাউই অমসুং হায়নিংঙাই লৈতনা ফত্তে; মদু কনানা খঙই" (যিরমিয়া ১৭:৯)।

যীশু মশামকত্তু মসিগী অচুম্বদু ফোংদোক্লুনা অহুম্না হায়, "মনুংদগী হায়বদি মীশিংগী পূক্নীংদগী ফত্তবা ৱাখল, মরুপ্পী থম্বা, হূৱানবা, মী-হাৎপা, মীতু-মীৱা লান্নবা, করাম্বা, ফত্তবা, তকচাংগী অপাইবা, মিংয়েং ফত্তবা, থীনা ঙাঙবা, চাওথোকপা, অপঙবা থোকই। ফত্তবা পূম্নমক অসিনা মনুংদগী থোক্লকুনা মী অদুবু মাঙহল্লি" (মার্ক ৭:২১-২৩)।

১। ৱাহৈংলাবা— গী ফজবদি মী পূম্নমক্না পাপ্না অদুবু মীওইবগী থম্মোইগী মরমদদি মসিনা নাপল তৌবগী পাপ অদুনা ফোংদোক্লি। ঈশ্বরনা খন্দোকপিরবা চেরুব—লুসিফর অসি মতম অমদা ঈশ্বরগী মঙান পুবা স্বর্গদুত অমা ওইরমই। মহাক্না নাপল তৌরুবদগী লৈথা তাখিদুনা ঈশ্বরগী য়েক্কবা দিয়াবোল ওইরকখি (যিসাইয়া ১৪:৯-১৭; যিহেসকিয়েল ২৮:১২-১৭)। নাপল হায়বসিমক মাঙ-তাকপগী মশক ওইরবা নোংরোক কোমদগী তেক থোক্লকপনি, অদুগা মসিনা তোঙান-তাঙানবা থবক থোওংদা ফোংদোক্লকই। মী খরনা ইনাকখুনবদা, খরনা মহৈ-মশিং হৈবগী মরমদা চাওথোক্লে; অদুগুমদুনা-ইরাং তৌবা ফিজেৎ—মশা কুপ্পোই কুপ্পবোই ইকায়নিংঙাই ওইবা মওংদা শেং-চাহুনা চাউথোক্লে। হায়রি-বশিংসি যিষাইয়া ৩:১৭-২৪ দা য়াম্না ফজনা ফোংদোক্লি। মী খরদি মপা-মপুশিংগী মরমদা অমসুং জাংকি মরমদা চাউথোকচৈ। "ঈশ্বরনা চাউ-থোকপশিংবু থিংই অদুবু নোম্লকপশিংদা থৌজাল পীবি" (১ পিতর ৫:৫) হায়বসি কাউথোক্লরি। "ঈশ্বরনদি নাপল তৌবা অমসুং লমকেং-লম-হাইবদু তূক্কচৈ" (পাউরো ৮:১৩)। "চাউথোকপনা মাংতাকপগী মাঙ থাই; অমসুং লমকেং-লমগাইবনা তূপ্লিদৈ মমাঙদা লৈ" (পাউরো ১৬:১৮)।

Copyright ANGP

২। ইমেংলাবা— ইমেংলাবা অসিনা হকচাংগী অপাম্বা, মিহৌবা, লমচৎ শাজৎ চুমদবা, হুপী নিপা লান্নবা অসিনচিংবা ফত্তবশিংবু তাকই। মথক্তা পনখ্রিবা পাপশিং অসি অনৌবা যুগ হায়না কৌনরিবা অত্তুবু অরোইবগী যুগ ওইরিবা ঙসিগী মতম অসিদা কা য়াম্না থেঞ্জিনলকখ্রে। চহী লীশিং অনীরোমগী মমাঙদা ইবুংঙো যীশু খৃষ্টনা তাকথোকপিরম্বা— অরোইবা মতমদা মালেমসি সোদোম অমসুং গোমোরাহ (হুপী নিপা লান্নবগী ওক্তবা লমচৎনা মপুং ওইবা সহর অনী) গী মতোংগুম্না ওইগনি হায়বা বা অসি য়াবা তাবনি। হায়রিবা পাপশিং অসিনা ঙসি নিপা হুপী কয়াবু ফাজিনখ্রে অমদি চুম্না চংচবা ইমুংশিং, ধর্ম্মগী সংস্থানশিং, স্কুল অমসুং হোষ্টেলশিংদা য়োম্বরকখ্রে। অত্তুগা ফত্তবা মরু অসি দিয়া-বোলগী হৈশিংবনা ঈকায়বা নাইদনা সিনেমা, হরাও-কুম্মৈগী মফমশিং অমসুং ফত্তবা লাইরিকশিং অত্তুগা অতৈ অতোপ্পা মওং কয়ামরুমগী মপান্না মীওইবগী থম্মোইদুংদা মরু হুল্লি। ঈশ্বরনা 'পাপ' হায়না কৌরিবা লমচৎ শাজৎশিংসিবু 'অনৌবা চংনরোল' হায়না মীশিংনা কৌনরক্লে। ঙসি নহারোল লাক্ষ-লাক্ষকী পুন্সিগী পান্দমদি সিনেমা অমসুং নোভেলশিংদগী ওইনরক্লে। মসিনা অরোইবদদি মথোয় মশাবু অঙাং অনংদা, ঈকায়বদা অমসুং নীংহৎলবদা থুংহল্লরগনি। অমুক্তসু হৌজিক মতমগী নহারোলশিংগী পুন্সিগী পান্দমদি ওক্তবা অমসুং লমচৎ চুমদবা এক্তর এক্ত্রেসশিংদা ওইনরক্লে। যোসেফ অমসুং ডানিয়েলগুম্বা ঈশ্বরগী অশেংবা অথোবশিংগী পান্দম অমুক হল্লা লৈনরক্তে। ঙসি ঐখোয়গী চাউখৎলে হায়রিবা হুম্নাই অসিবু জাৎ নাইদ্রে হায়নরিবা অত্তমকপু লান্নবগী থবক তৌবা নিপা হুপীশিংবুদি হায়েন্দুনা হাংপা জুলুশিং ফাওবনসু করিগুম্বা থরদি তম্বিরি. অত্তুগা হায়েনগী হুমিংতা মখোয়না ঐখোয়গী ইথক্তা অরাম্বা পীহুনা লেপ্পকনি। হুপী নিপা লান্নবগী থবক অসিবু থোওইদবা তৌদত্নুনা মসিদগী চেন্থাকুবা ঈশ্বরনা ঐখোয়দা

Copyright ANGP

কন্না তাকপিরি। "মীনা তৌবা পাপ খুদিংমক হকচাংগী মপান্দনি, অদুবু মরুম্বী তিন্নবা মশাক অদুনা মশাকমক্কী হকচাংবু য়েক্কদুনা পাপ তৌবনি। অদুগা নখোয় নখোয়গী হকচাংদি নখোয়না ঈশ্বরদগী ফংবা, নখোয়গী নুংদা লৈরিবা থরায় অশেংবগী অশেংবা শঙনি হায়বা নখোয়না খঙদ্রা?" (১ কোরিন্থঃ ৬:১৮-১৯)। "কনাগুম্বা মীনা ঈশ্বরগী অশেংবা শঙ অদু মাংহল্লবদি, মহাক অদুবু ঈশ্বরনা মাংহনগনি। মরমদি ঈশ্বরগী শঙদি অশেংবনি, অদুগা নখোয়দি মদুনি" (১ কোরিন্থঃ ৩:১৭)।

৩। ওক— ওকনা য়ু[illegible]ওবা অমসুং কারাম্বগী পাপশিংগী মরমদা তাক্লি। মসি অমোংপা শা অমনি, অফ-ফত্ত খঙদনা মাগী লম্বীদা লৈরম-লৈরম্বা পোং মথৈদু হেক্তা চাথোকই; মতৌ অসুম্বা পাপচেম্বা থম্মোইনসু অরাম্বা রাখল, ফত্তবা রাথৈ, অমোংবা লাইয়েক, ফত্তবা লাইরিকনচিংবশিংসি হেক্তা লৌশিল্লি। অথিংবা ঈশ্বরগী অশেংবা শঙ ওইনা লাংলক্লবা হকচাং অসি ফত্তবা অমোংপা চিঞ্জাকশিংনা হায়বদি মৈথু শিজিন্নবা, হিদাক মনা উম্বা, বা চাবা (নিশা চেনবা), গঞ্জা, কানি, অমসুং পূক্নীং হকচাং অমদি রাখল শোকপা হিদাক লাংথক কয়ামরুম্না মাংহল্লি অমসুং শেং ন্দে। চুরুট, হিদাক মনা, কানিন-চিংবা থক-চাবগী হৈনবী অসিনা ওসি নিপা নুপী কয়াবু কা য়াম্না হেক্তিনা লাকশিনখ্রে। অসিগুম্বা ফত্তবা নিশাগী থয়াত্তা তারবা তোল্লবা সৈতানগী ফাদোকশিংবু ঈশ্বরগী পাঙ্গলতনা নীংতমহনবীবা ওমগনি। ধর্ম্মদা পূক্নীং চঙবা মীওই কয়ামরুমসু লাইশঙ মনুংদদি অশেঙবা মফম্নি হায়না মৈথু থক্লদে, অদুমকপু অশেংবমক ঈশ্বরগী শঙ ওইরিবা হকচাংবুদি ফত্তবা হিদাকমনাশিংসি শিজিন্নদুনা মাংহন্বদা অথিংবা পীদ্রি। "নখোযনা খঙদ্রা", পাখোনচৎপা পোলনা হায়খি, "নখোয়দি অশেংবা ঈশ্বরগী শঙনি অমসুং থরায় অশেংবনা নখোয়গী নুংদা লৈরিবনি, কনাগুম্বনা

Copyright ANCP

ঈশ্বরগী অশেংবা শঙ অহ্ মাংহনবদি, মহাক অদুবু ঈশ্বরনা মাঙহনগনি” (১ কোরিন্থ্ ৩:১৬,১৭;৬:১৮,১৯)।

হেন্না চাগন-থক্নবা, করাম্বা হায়বসিদু ঈশ্বরগী মাঙদা য়াম্না ভুক চরবা পাপ অমনি। ঐখোয়না হিংনবগীদমক চাবনি; চানবগীদমক হিংবা নত্তে। অওকপা চিঞ্জাক চারগা অরাম খোৎলাকপা লোকই, অদুবু কারাম্বনদি “পীয়ু পীয়ু!” হায়দুনা লৈ।

কারাম্বগী অওকপা অমসুং অপেম্বা শুক্রে লৈতে। অরিবা য়াথাংগী লাইরিক (বাইবলগী অহান্বা শরুক অমা) রায়েন মতুং ইন্নদি হেন্না চাগন-থক্নবা, কারাম চাউবা, য়ুভাওবা মী অমনু নুংনা থাদুনা হাংলম্মী (রায়েন য়াথং ২শুবা ২১:১৮-২১)। “য়ুভাওবা অমসুং হেন্না চাগন-থক্নবা মীদি লাইরবা ওগনি, অদুগা অতম্বা অমসুং উইগম্বা মীনা লেগায়বা ফি শেৎকনি। ফত্তবা মীশিংগা লোইনবা মী অদুনা মপাবু ঈকায়বা নংহনগনি” (পাউরোল ২৩:২১;২৮:৭)। পুক লাউবা, কারাম্বগী মনাই ওইরবা ইনাকখুন্বা নিপা অদুনা শিরবা মতুংদা হায়নিংঙাই লৈরবা অরাপ-মচাক থাংবগা লোয়ননা লোরোক্তুগী য়েংথংখিবা অদু নীংশিংবিয়ু। য়ু থকপগী ফত্তবগী মরমদা য়াম্না কুপথনা হায়গদবা লৈতে। মসি ইরায় লায়থোক্লা লোরোইদবনি হায়বসি য়াম্না শেংনা খঙনরবা রাক্ষম্মি। য়ু ভাওবা মীনা ঈশ্বরগী লৈবাক্তা শুপচঙ-চঙলোই হায়না ঈশ্বরগী ৱাহৈনা ঐখোয়দা শেংনা খঙহল্লি। য়ু হায়বসি হিংবদা চংবা চিঞ্জাক নত্তে, মসিদি মাঙহন-তাকহন্বা মহৌনি, মসিনা পূক্লীং ৱাখল চমমন থিবা অমসুং শোক্তহল্লি। মসি থকপা মীশিংদু অপঙবা অমসুং অঙাওবগুম ওইরি। মখোয়গী লমচং-শাজং চুমলক্তে মসি থক্লমদ্রবদি মখোয়না তোরহোইদবা থবক হায়বদি, হাংপা তুপ্পা ফাওবা ঙম্লকই। “য়ুদি করেম্নবনি, কাংলা থকপনা মগাওবা-অকৈকপুম ওইহল্লি; অদুগা মদুদা লম্মুক্লিবা মীদু অশিংবা নত্তে” (পাউরোল ২০:১)।

Copyright ANGP

অসিগুম্বা ময়াইকাবা মমী অসিবু শুংলিবা অমসুং য়োল্লিবা মীশিংদুসু ঈশ্বরগী মাঙদদি অথকপশিংদুগা চপ মান্নবা মরাল লৈরবনি, মরমদি ঈশ্বরনা অসুম্না হায়রি, "য়ু থকপদা থৌনা ফরিবা, অমসুং ময়াইকাবা মশী য়ানশিল্লবদা কন-থোরিবা মীশিংদুদা অরাবনিদা!" (যিষাইয়া ৫:২২)। "নহাক্কী কৈরোয় লৈকায়দা য়ু পিথক্লিবা, য়ু লিক্লি লানশিনবিদুনা মহাকপুসু য়ু ঙাওহল্লিবা মহোন্দা অরাবনিদা!" (হবক্কুক ২:১৫)। "মখোয়না ঢাক চান্নবদা বীনা, পেনা, তবলা অমসুং বাংশীগা লোয়ননা য়ু ঙাওই, অদুবু মখোয়না ঈশ্বরগী থবক্তদি থৌশাদে ইবুংঙোনা মহাক্কী খুৎকী থবক অদু রাখল তৌদে" (যিসাইযা ৫:১২)। "নখোয়বু মীনমহনগনু, মরুম্বী থম্বা, লাই মুর্ত্তি লাংপা, মীতু-মীরা লান্নবা, অথৎপা থবক তৌবা, নিপা মশেন অচোম্বা থবক তৌবা কারাম্বা, য়ুঙাওবা, রাহৈ থীবা অমসুং নমজা-নমথেক্নবা, মীশিংসিনা ঈশ্বরগী লৈবাক ফংলোই" (১ কোরিন্থ:৬:৯,১০)।

তাইবং-মচংকী ওইবা পাপশিংসি য়াম্না শংনা ফোংদোক্লি। থর অদুদি অসিনি: মরুম্বী থম্বা, শেংদবা, অপাইবা, লাই মুর্ত্তি লাংপা, হীকাপ য়াইকাম্বা, য়েক্নবা, য়েন-শুনবা, মৈ হৌনা শাওবা, মরন্নাই তান্না, তোথাই-তোথাই তানবা, মীচং নাইবা, থম্বন্বা, য়ুঙাওবা, লমচং হাপ্পুবা, অদুগা অদিগা মান্নবা অতৈশিংনি। "অসিগুম্বা থবক চৎবা মীশিংদুগী স্বর্গদা মফম লৈরোই" (গালাতীয় ৫:১৯-২১)। "য়ু ঙাওগনু, মদুদা রাথোক-লান্থোক লৈ, অদুবু থরায়না থল্লু" (এফিশা ৫:১৮)।

খোরাঙবশিংদা যীশুনা কৌরি: "কনাগুম্বা মীনা থৌরাংলবদি, মহাক্না ঐঙোন্দা লাক্কুনা হিংলিবা ঈশিং লেম্না থকচসনু" (যোহান ৭:৩৭-৩৮)। "হে খোরাঙবশিং, নখোয় খুদিংমক ঈশিং ময়াদা লাকউ। শেল লৈতবা নখোয়সু লাকউ, শেল য়াওদনা অমদি মমল য়াওদনা

আঙ্গুর মহী অমসুং শঙ্গোম লৌরুরাও" (যিষাইয়া ৫৫:১)। "ঐনা পীগদবা ঈশিং অদু অথক-অথকপা মী খুদিংনা থক থোরাংলরোই; অদুবু ঐনা পীগদবা ঈশিং অদু লোম্বা নাইদনা হিংনবগীদমক থোক্লকপা ঈশিংগী ঈফুং মাঙোন্দা ওইরক্কনি" (যোহান ৪:১৪)।

৪। থেঙ্গু— থেঙ্গুনা অতন্বা, হোইশাংনবা (থবক য়ৈথোকপা) অমসুং হিকাপ-য়াইকাপকী থবক তৌববু খঙংলি। থাজদবা হায়বসিসু হিকাপ-য়াইকাপকী পাপকা মান্নে। "কতনগী মিহৌবনা মহাক মশাবু হাংলি, মরমদি মহাক্কী মখূৎনা থবক শূনিংদে, হুমিং চুপ্পা মহাক্না মিহৌ-চাউনা পামদুনতা লৈ, অদুবু থম্মচেনবা মীনা পীবী অমসুং থাকহৌদে" (পাউরো ২১:১৫,১৬)। "লম অদু হুদুম চনশিন্বদা শোংবা তৌগনু" হায়না যিহোশূয়না ইস্রায়েল মচাশিংদা হায়খি। তাইবংমীগী হৌনশা ওইনা মীওইবনা থরায়গী ওইবা হিরমদা ফংনবা হোংনবা অমসুং তান্বদা য়াম্না শোৎপে, অমসুং তল্লি। যীশুনা হায়খি, "অথুবা থোঙদা চঙনবা কন্থি হৌ" (লুক ১৩:২৪)। "থিজবা মহাক অদুনা ফংজগনি।" "স্বর্গ লৈবাক অসি পাঙ্গন্না লাকশিল্লি, অমসুং লাকশিল্লিবশিং অদুনা মদু নমদুনা লৌরি" (মাথি ১১:১২)।

থরায়গী ওইবা অরান-খুবম অমসুং যাইফনবগী মরমদা থোওইহৌ-দবদগী ঐথোয়না অমাঙ-অতাক কয়া ফংনরি। অতনবা অমসুং থৌ-ওইদবনা ঐথোয়বু— ঈশ্বরদা চঙজবদগী, ঈশ্বরগী ওইবা মচুং হুজিন্না হিরমশিং থিবদগী, অমসুং ঈশ্বরগী মরাংকায়বা রাশকশিং ফংবদগী থাপ-তোকংল্লি; লোয়নননা মসিনা অমাঙ-অতাদা পুশিল্লি। ঈশ্বরনা নহাকপু ঙসি ইরুংঙো মঙোন্দা নপুন্সি কখোকচনবা হনশিনবিরবদা দিয়াবোলনদি মদু হয়েং নপ্রগা খুদোংচাবা হুমিং অমদা পাঙথোকউ হায়ররি। অরা-বদি হয়েং হায়বদু শুক্রাক লাওবা য়াই। অদুম্না নহাক্না অরান খুবম

ফংদনা অমসুং খৃষ্ট য়াওদনা শিবা তায়। "ঙসি নখোয়না ইবুংঙো মহাক্কী খোঞ্জেল তারগনি, নখোয় নখোয়গী পুক্কী কলহনগনু" (ইব্রীয়ঃ ৩ঃ৭,৮)। অমুক হন্না লাক্লরোইদবা "থুদোংচাবা" হায়বা নুমিৎ অদু ঙাইরিবৈদা মীওই কয়া-কয়ানা খরান-খুবম ফংদনা শিগ্রবা নত্রা? হয়েং হায়বসিদি নহাক্কী নত্তে।

থেঙ্গুগী মকু অসি হিকাপ-য়াইকাপকী থবক তৌবা মাইবশিংনা তোয়না শিজিন্নে। মখোয়না হিংলবা ঈশ্বরদা থাজবগী মহুত্তা হিকাপ-য়াইকাপকী থবকশিং—খুবাক ময়ি য়েংবা, যাত্ত বিগ্যাদা থাজহুনা অমসুং শিজিন্নহুনা পাপ তৌই। অমরোমদা ঐখোয়না অনা-অশ্নেক, শিবা-নাবা অমসুং অৱাবা তাহুনা চাংয়েংলবদা লাইবক্তা তশ্বনি হায়দুনা লৈখোকপগী মহুত্তা পাঙবিনবা ঙাইবিরিবা হিংলিবা ঈশ্বরদা কৌজনবা ঐখোয়দু তাকপিরি। মরমদি "অফবা মীগী খোঙথাং যাহোংনা (মপু ইবুংঙো) তাকপি, অদুনা মাগী মচং-মতৌদা ইবুংঙো মহাক্কা নুংঙাইজৈ" (স্তৈশ ৩৭ঃ২৩)। "নখোয়গী নরক্তা কনাগুম্বা নারিব্রা? মহাক্কা শীংলুপকী অহল-লমনশিংবু কৌসনু, অদুগা মখোয়না প্রভুগী মিংদা মহাকপু থাউ তৈবিদুনা মহাক্কীদমক হায়জবিসনু; থাজবগী হায়জবনা অনাবা মহাক অদুবু কনবিগনি, অমসুং প্রভুনা মহাকপু হৌগৎ-হনবিগনি; অদুগা মহাক্না পাপ তৌরম্লবদি, মহাকপু কোকপিগনি। মরম অদুনা নখোয়বু নাবা ফহনবিনবা, নখোয়না অমনা অমদা পাপ হায়দোক্লদুনা, অমনা অমগীদমক হায়জবিয়ু" (যাকোব ৫ঃ১৪-১৬)। "হাংথংহল্লবদি নোংপোক্লেগীসু নত্তে, খাদগীসু নত্তে; ঈশ্বরদি বায়েখিবা মপুনি" (স্তৈশ ৭৫ঃ৬,৭)। ঈশ্বরনা ইস্রায়েল মচাশিংদা য়াথং পীদুনা অসুম্না হায়খি, "নখোয়গী নরক্তা মচানিপা নত্রগা মচানুপীবু মৈনুংদা চংহন্বা নত্রগা মিপ্রুং তৌবা, নত্রগা খেন য়েংবা, নত্রগা মহৈ শিজিন্নবা, নত্রগা হিকাপ-য়াইকাপকী থবক তৌবা, নত্রগা শুস্কাৎনবা মন্ত্র শাগবা,

Copyright ANGP

নত্রগা অশিবা হংবা মী অমতা ফংদসনু। মরম্মদি, অসিঙ্গম্বশিংসি তৌবা মী পূম্মক ঈশ্বরগী মফমদা থোইদোক্লা অমোংপা থবক্নি” (অনীশুবা ৱায়েম ১৮:১০-১২)। “ঈশ্বরগী নিংথৌলৈবাক্কী ৱাংমদা হিদমমাইদম্বশিং, মরুন্থী থবক তৌবশিং, মীহাৎপশিং, লাই মূর্ত্তি লাংপশিং অমসুং মীনম চিন্থীবা পাম্বা অমসুং অসিগুম্বা থবক তৌবা মী খুদিংমক লৈ” (ফোংদোকপীবা ২৭:১৫)। নহাক্না শেংদবা থৱায়দা নত্রগা তুংগী ৱা তাকখোকপা মীগী মফমদা চঙলোইদবনি নত্রগা মখোয়দা হংলুহুনা মখোয়গা পাপ্তা তামিন্নরোইদবনি অমদি মখোয়না নখোয়বু মাঙহল্লোইদবনি। “ঐদি নখোয়গী ঈশ্বর শেম্বিবা মপুহুমক্নি” (লেবীঃ ১৯:৩১)।

নহাক্না লাইরিক মচাসি পারিবৈদা ঈশ্বরনা নঙোন্দা ৱা ঙাঙবিরি, নহাক্না পাপকী মরমদা পূক্নীং হাংহুনা ইবুংঙো মাগী খূত্তা নপুন্সি কখোক্লবা কৌবিরি, অদুবু নহাক্কী থম্মোইহুংদা লৈরিবা থেঙ্গুগী থৱায় অদুনদি মখল-মখা অয়াম্বা ৱা হায়জিন্দুনা নহাক্না ঈশ্বরগীদমক লেপচগদবা ৱারেপ অদু য়েংথোকহল্লি অমসুং নহাক্কী থম্মোইহুংদা অকিবনা পিক থলহল্লি— “ঐনা অচুম্বা খৃষ্টান অমা ওইরবদি ঐগী মীশিংনা, ঐগী মরুপ-মপাংশিংনা অমসুং অকোয়বদা লৈরিবশিংনা ঐঙোন্দা করি হায়গনি? তাইবংপানগী ওইবা কুম্মৈ-ফিয়োং, পার্টিনচিংবদা য়াওররোইদবা ওইরবদি কয়াগী মতিক মাঙজবনো?” হায়বনচিংবা থলহন্দুনা নহাক্না খৃষ্টবু নঙগী থম্মোইদা চঙহন্বা মতমদা ফংগদবা অঙকপা ঈংথবা, হায়নিংঙাই লৈতবা হরাওবা, ইবুংঙোগী মতিক মঙাল্লা থন্বা লোমনাইদবা হিংবা অদুগী মহুত্তা মীবু কিবা অমসুং শিববু কিবগী মরম্না সৈতানগী অপুম্বদা লৈহুনা মাঙখিগদবা নত্রগা “থাদোক্কদবা” শিং অদুবু য়েংহুনা লৈরে। অদুবু, শিবা কিবনা মখোয় মখোয়গী মপুন্সি চুপ্পা অপুম্বগী মখা পোল্লিবশিং পূম্মকপু থাদোকপিনবা খৃষ্টনা লাকপিখি

Copyright ANGP

(ইব্রীয় ২ঃ১৪-১৫)। থোয়শাংনবগী থরায় অতুনা নহাক্কী থম্মোইবু থেঙ্গুগী মকূ অকন্বা অতুগুম্না কনশিলহল্লি।

৫। কবোকৈ— কবোকৈদি য়াম্না তমথীবা অমসুং শাথীবা শা অমনি। য়েংথীবা, অশাউবা অমসুং শাগুগংকন্বনা মীওইবগী থম্মোইবু খুদুম চল্লি; অদুগা মীহাংপা ফাওবা তোয়না থোকহল্লি। নহাক্কী অফিংবা, শাগুগংকন্বদু ফাথনবা অমসুং নমথনবা নহাক্কা কন্না হোংনজবা য়াই অদুবু মতুনা খাইদগী ফত্তবা অদুদা হেক্তা ফাংদোক্লকই। মসি নহাক্কী থম্মোইনুংদা লৈ হায়বসি য়াজবগা লোয়নননা নহাকপু মসিদগী নান্থোকহন্বিনবা যীশুদা ফোংদোকচঙ্গনা হায়জবনা হেন্না ফবনি। "নহাক্কী মিংয়েংদা অমুক হন্না শাউবা লৈরগনু" (মৈথোরোল ৪৫ঃ৫)। "শাউবা তোকউ, অদুগা মৈহৌনা শাউবা থাদোকউ; নশাবু ওল্লাং-ওনশাউহন্দুনা করিগুম্বা মওং অমদা ফত্তবা পাওথোক্কে হায়না থনগনু" (ঈশৈ ৩৭ঃ৮)। "মৈহৌনা শাউবদি তমথী অমসুং ঈশিং ঈচাউগুম্বনি" (পাউরৌ ২৭ঃ৪)। "নপূক্লীং শাউগৎপদা থুগন্নু মরমদি অপঙবশিংগী থম্মোইনুংদা অশাউবা তুংদুনা লৈবনি" (শন্দোকপা মী ৭ঃ৯;১১ঃ১০)। অশাউবা খুদিংমক থাদোকখ্রে (কোলোসীয় ৩ঃ৮)।

মীকিথি অয়াম্বনা ফত্তবা থবক-পাংথোক্লবা নত্রগা লমন খুম্নবগীদমক য়ু থক্লগা মপূক্লীং পোগংহল্লি, অদুবু "মখোয়গী য়ু অদুদি চৌংলাইগী হুনি, লিন খারোগী তমথীরবা হুনি" (২ রায়েন ৩২ঃ৩৩)। পাপচেনবা থম্মোইদি লমনথুম্বা পামই অদুগা মদুদা পেঞ্জে অদুমকপু লমনথুম্বা হায়বসি ঈশ্বরদা লৈবনি। যীশুনা হায়, "নখোয়গী কৈরোয় লৈকায়বু নশামক্কুম্না নুংশিয়ু" অমসুং "নখোয়গী য়েক্লববু নুংশিয়ু"। ঐখোয়গী ইফমদা লঙজরবশিংবু ঐখোয়না কোকপিন্নবদি, ঐখোয়বুসু কোকপিগনি হায়না ঈশ্বরনা হায়রি।

Copyright ANGP

য়ারোল-পুরোগশ্না, মুরুম-মুরুম শোম্না হায়বাসিন্থ ঈশ্বরগী মাঙদদি য়াম্না তূক্কচরবা পাপ অমনি। ঈ তানবগী, লানগী ফত্তবা অমস্তুং কারাম্বনা মীওইবগী থম্মোইনুংদা তুংদনা লেবগুম্না অশেংবা ঈংথবা, অমস্তুং মরাচেৎপা ঈংথবদু মতম শাংনা লৈহনগে হায়রবদি মীওইবগী থম্মোইনুংদা লিংথংকদবনি।

৬। লিন— লিন্না ইভি ইভি—হবা, মালেমদা থোংদাখিবা ঈশ্বরনা শেম্বা অংগাম্বা নুপী) বু মীনমখিবদগী মংগাক্না ঈশ্বরগা য়াম্না নক্না লোয়নরম্বা অমস্তুং নুংশিননা তিন্নরম্বদু মাঙহনাখি। আদম (অংগাম্বা নিপা) অমস্তুং ইভিনা লুসিফর (লুসিফর—নাংঙান শক্তিক, সৈতান ওইরকখি) গী মহুৎ শিন্দুনা মালেম ঙাক-শেম্বা অমস্তুং ঈশ্বরগা মপুং ফানা খোয়জেন-লীংজেন তিন্নবা লৈবদু লৈখা তারবা স্বর্গদূত সৈতান্না উবদা কল্লকাখি। অদুনা সৈতান্না মখোয়বু মাঙ-তাক্রবা থোরাঙলমই, অস্তুম্না মখোয়গা ঈশ্বরগা লৈনরিবা মরীদু থদংতুনা মায় পাক্লমই। মী থরগী হরাও-নুংঙাইবা মিগান উবদা দিয়াবোলগী অসিগুম্বা কল্লক-মীহৌবসি কনাগুম্বগী থম্মোইদা চঙদুনা মখোয় মশামকী অশেংবা হরাও-নুংঙাইবা মাঙহল্লি। "কল্লকপদি মোংফমগুম্না হিংচা-য়াইতম্বনি" (সোলোঃ ৮ঃ৬)। "কল্লকপগী মাঙদা কনানা লেপ্পা উম্বগে?" (পাউরো ২৭ঃ৪)। মসিনা থম্মোইদা ফত্তবা রাথল পোকহন্দুনা অতোপ্পগী হরাও-নুংঙাইবা ফাওবা মাঙহল্লি অমস্তুং মী হাৎপা কাওবা লমজিংলকই। মসি য়ুম পাল্লবশিংগী মরক্তা য়াম্না থোকম্বা থোদোক অমনি। ললোন-ইত্তিকী থবক্তস্থ অদুগা অতোপ্পা পুন্সিগী হিরম কয়াদস্থ মসিনা হায়নিংঙাই লৈতবা অরাবা অমস্তুং তূক্কচন্নহম্বা থোকহল্লি। ঈশ্বরগী অতোপ্পা মনাই অমবু মখোয়দগী হেন্না ঈশ্বরনা শিজিন্নরব্রা হায়না থন্দুনা ঈশ্বরগী থোগল তৌরিবশিংগী মরক্তস্থ কল্লক-মীহৌবগী ফত্তবা অসি লাকই। মরম অদনা মখোয়না

Copyright ANGP

ঈশ্বরগী থৌগল তৌজবদা অমসুং ইবুংঙো মহাক্না মথোয়বু শিজিন্নবিবদা অপম্বা থোক্তনবা "থব্বায় অশেংবনা পীবিবা ঈশ্বরগী নুংশিবা" অহুনা থম্মোইদা থলহঞ্জহুনা দিয়াবোলগী ওইবা অসিগুম্বা কল্লক-মীহোৌবগী পূকচেল অসি লাক্তনবা মিকুপ-নাহুম শিংনা লৈবা ফে :

৭। হঙোই— লৈবাক চাহুনা িংনা জিবা অসিনা মতাং আসদা কারাম্বগী অমসুং ফত্তবা পূম্নমক্কী মরূ ওইরিবা শেল পামগন্বগী পাপ অহুবু থঙহন্লি (১ তিমোথীয় ৬:১০)। আফ্রিকাগী কোঙ্গোদা লৈবা হঙোই মথল অমদি ককচেং চা কয়-ময়া চাশিল্লগা মপুক পোকথায়হুনা শি। কারাম্বা মীদি মথূং লান্থোক্তুনা লায়রবা অমদি অরা-অনং থেংনরিবা মীশিংদা তেংবাংদে, অহুগী মহুত্তা শূম চাহুনা অমসুং কোহ্লিং কাহুনা শোয়দনা মাঙখিগদবা তাইবংপানগী ওইবা লন-থুমবু পূকচেল শেংনা ওইরবস্থ শেংদনা ওইরবস্থ পান্থে পূম্নমক শিজিন্নহুনা তানশিল্লি। যীশুনা হায়, "শূম্না চাবা অমসুং কোহ্লিংনা মাঙহন্বা হূরানবশিংনা শঙুন তৌহুনা হূবা তাইবংপান অসিদা নথোয়গী লন পৈশিনগনু; তৌইগুম্বসুং শূম্না চাদবা অমদি কোহ্লিংনা মাঙহন্দবা অহুগা হূরাম্বশিংনা শঙুন তৌহুনা হূদ্রবা, স্বর্গদা নথোয়গীদমক লন পৈশিজো। মরমদি নঙগী লন লৈবা মফম অহুদা নঙগী পূক্নীংস্থ লৈগনি। হকচাংগী থাউমৈদি মিংনি। মরম অহুনা নঙগী মিংফম চুম্লবদি, নঙগী হকচাং অপুম্বা য়াম্না ঙানগনি" (মাথি ৬:১৯-২২)। আকান্না সন-লুপা, মমল য়াম্লবা নূং অমসুং ফজবা ফিরোল পাম্বদগী মহাক্কী ইমুং-মচুং পূম্নমকস্থ মাঙ-তাকখি (যিহোশুয় পন্দুপ ৭)। ইমুংঙো যীশুগী সেবোক যিহুদা ইস্কারিয়োৎনা শেল পাম্নু-বদগী মহাক্কী মবুংঙো অমদি মপুবু য়াজদহুনা ফত্তবশিংগী মখূত্তা পীথোকপা মী অমা ওইরক্লুনা থোরী য়ান্দুনা শিজখি। ফত্তবহুদি শেল নত্তে, সনাম্থ নত্তে, অহুবু মীওইবগী থম্মোইদা লাংলিবা শেলবু কারাম্বা অহুনি।



Copyright ANGP

কাংলুপ অমদি জাতী খুদিংমক্কী মনুংদা মীওই কয়ামরুম্ব, অদুগা মখোয়গী ইমুংবুস্ত, অার শান্নবনা, খেন য়েংবনা অমস্তুং খুনা ইনাক খুন্নীংবগী মরম্না মাঙহল্লি। ইৱা ৱাদনা শেল ফংনীংবগী মৱমদগী হূৱানবা, মীহাংপা অসিগা লোয়ননা মশা মথন্তা মথৱায় থাজবা কাওবা থোকহল্লি। শেল পাম্বা অমস্তুং কারাম্বগী লোয়নবা কয়ামরুম লৈ: ৱাজনীতি শান্নরগা অতোপ্পগী মথক থোংহনা পাৱা, শেল পায়রগা লায়রবাশিংবু ওৎনৈবা, ধর্ম্ম লূচিংলেনগী শক্তি পায়বা, ঈশ্বরগী মিং চাউখৎহন্বদগী কাংলুপকী মিংবু হেন্না চাউহন্বা, মাগী শীংলুপ্তদি ৱাওদবা অতুবু খৃষ্টৱুদি চুম্না ভুংইজনীংবা মী অমবু অৱেম্বা ওইনা শিংথানবা হায়রিবা মিংচংপাম্বা অমস্তুং অচোবা পাম্বশিংসিনি। যীশুনা হায়, “চকশিল্লু, কারাম্বা পূম্নমক্কুগী নখোয় নশা শেন্নজো। মৱমদি হিংবা অতু মহাক্কী মৱাংকায়না লৈজবা পোং অতুদা লৈবা নত্তে” (লূক ১২:১৫)। ইনাকখুন্বা অপঙবা নিপা অতুগী ৱারীতু অস্তুম্না চৈ: “কনাগুম্বা ইনাকখুন্ব। নিপা অমগী লমদা চাথোক য়াম্না লৈরে, অতুগা মহাক্না মপুক্নীংদা খল্লম্মী, ‘ঐনা করি তৌসিগে? মৱমদি ঐগী মহৈ-মৱোং পৈশিন্নবা মফম লৈত্রে।’ অতুগা মহাক্না হায়, ‘ঐনা অস্তুম তৌগে: ঐগী কৈ পূম্নমক শাদোক্লগা, হেন্না চাউবা অমা শাগংকে; অতুগা মদুদা ঐগী মরু-মৱাং অমস্তুং ইপোং-ইচৈ পূম্নমক পৈশিনগে। অতুগা ঐনা ইথৱাযদা হায়গে, হে থৱায় চহী কয়ামরুমগীদমক নহাক্কী অফবা পোং অয়াম্বা পৈশিল্লে, পোৎখজরো, চারো, থক্লো, নুংঙাইজরো।’ তৌইশুম্বস্তুং ঈশ্বরনা মঙোন্দা হায়, ‘হে অপঙবা, অহিং অসিদা নঙগী থৱায় নঙোন্দগী লৌরগনি, নঙনা লাঙথংখ্রবা পোং পূম্নমক্কু কনাগী ওইগদগে?’ ঈশ্বরগীরোমদা ইনাক খুন্দন্দুনা মথন্তগীদমক লন পৈশিংবা মহাক অতু অসিগুম্বনি” (লূক ১২:১৬-২১)। “মৱমদি তাইবংপান পুম্বা ফংজরগা মাগী থৱায় মাঙজবা মী অতুগী করি ফোংজবা লৈবগে?” (মার্ক ৮:৩৬)।

Copyright ANGP

"হিংনবগীদমক নখোয়না করি চাগনি, অদুগা নখোয়না হকচাংগীদমক করি শেৎকনি হায়না লাংতক্লগনু। মরমদি চিঞ্জাক্তগী থৱায়না অমসুং ক্ষিজেত্তগী হকচাংনা হেন্নি...... ...... ...... অহান্বদা ইবুংঙো মহাক্কী লৈবাক অদু থিয়ু অমসুং পোংশিংসি নখোয়দা হাপচিনবিগনি...... ...... ...... মরমদি নখোয়গী লন লৈবা মফম অদুদা নখোয়গী পুক্নীংসু লৈগনি" (লূক ১২: ২২-৩৪)।

৮। সৈতান— সৈতান্দি মীনম-চিন্থীবশিং অমসুং অৱানবা ঙাঙ-বশিংগী মপানি, মহাক্তি মথল-মথা অয়াম্বগী পাপ থোকহল্বা মপুনি, অমসুং থম্মোইবু খূদুম চম্লিবা মপুনি। যীশুনা হায়, "নখোয়দি নপা দিয়াবোল অদুদগীনি, অদুগা নখোয়গী নপা অদুগী অপাম-অপাম্বা থবক তৌবা অদু নখোয়গী নীংবনি। মাদি অহৌবদগী মীহাৎপা ওইরম্মী, অদুগা অচুম্বদা লেপ্তে, মরমদি মথোন্দা অচুম্বা ইরৈ লৈতে। মানা চিন্থীবা ঙাঙবা মতমদা মথন্তগী ঙাঙই, মরমদি মাদি চিন্থীবনি অমসুং মদুগী মপানি" (যোহান ৮:৪৪)। অৱাবা মচা অমদুসু অচৌবা অৱাবা অদুগা মান্ননা ফত্তবা ওইরিবনি। ঙাঙথোকপা, ইথোকপা অমসুং পাঙথোকপগী ওইবা অৱাবা লৈ। অফ শাজনীংবা মী অদুসু চিন্থীবা মীনি মরমদি, মহাক্না ওইদবা অদুবু অওইবগুম শাই। ঈশ্বরদি অৱাবা হায়দে—খ্রীষ্টান অমনসু অদুম্না ওইগদবনি (তীতা ১:২)। "ঐখোয়না ইবুংঙোগা শরুক ফংমিন্নবনি হায়রগা অমম্বদা চৎলবদি ঐখোয় মীনম্বনি অমসুং অচুম্বা অদু তৌদবনি" (১ যোহান ১:৬)। হূইশিং, হীদম য়াই-দম্বশিং, মরুম্বী থবক তৌবশিং, মীহাৎপশিং, লাই মুর্তি লাৎপশিং অমসুং মীনম চিন্থীবা পাম্বা অমসুং তৌবা মী খুদিংমক মপান্দা লৈ" (ফোং-দোকপীবা ২২:১৫)। অৱাবা শাক্ষী পীবা অমসুং মীনম-চিন্থীববু ঈশ্বরনা ভূক্কৈ (পাউরৌ ৬:১৯)।

৯। থৱানমিচাক— থৱানমিচাক অসিনা মীওইবগী থম্মোইদা লৈবা অচুম-অৱান খঙনবা পূক্নীং অতুবু খঙহল্লি। মফমসিদা মসি ফত্তবা অমসুং অমাঙবা ওইরে, অত্তুম অমসুং য়ানীংনা পাপ তৌবগী মরম্না শিরক্লে, মসি তাংবা অমসুং শেৱান্নবা ওইরে, হায়বদি মশাগী অচুম-অৱান যাংবা ৱায়েল্লবা ঙমদ্রে। অসিগুম্বা অচুম-অৱান খঙবগী পূক্নীং অসি করিগুম্বা মতমদা তপথনা লৈবা য়াই, অতোপ্পা মতমদনা ওল্লাং ওনশাউবসু য়াই। ঙাকশিফম থোকপদসু মরাল শিং, অদুগা মরাল পীগদবা অদুবুনা ঙাকপি। ঈশ্বরবু থাজবদগী লাপথোকখিবা, ফত্তবা থৱায় অমসুং দিয়াবোলগী ভম্বিবদা চঙখিবা অমসুং শাশিন্নদুনা ঙাওবদগী মসি মৈ ইক্লবা য়োংনা শোকহনখিবগুম্নে (তিমোথিয় ৪:১,২; ইব্রীয় ১০:২২)।

১০। মিৎ— ঈশ্বরগী মিৎনা মীওইবগী থম্মোইনুংদা থবা, নীংবা পূম্নমকপু উবিরি। ইবুংঙোগী মৈবুনগুম্বা মিৎয়াদগী করিগুম্বা অমত্তা লোৎপা ঙমদে। মীওইবগী থম্মোইনুংদা থল্লিবা অরোৎপা ৱাথল অমসুং নীংলিবা পূম্নমক ইবুংঙোনা উবি অমসুং খঙবি। নহাক্না তৌরিবা ফত্তবা থবক্তু খাইদগী মখা অহিংদা, খাইদগী শূকপা উমংদা, খাইদগী লুবা কোমদা নত্রগা করিগুম্বা অতৈ মফমদা ওইরবসু, ঈশ্বরনা মদুবু উরি। (লাইয়েকশিংসিগী মিৎসু মায়থোংদা ফোংদোক্লিবশিং অদুগা চা-না উংলি—অৱাবা, নুঙাইবা অসিনচিংবা)।

১১। অপিকপা মৈগী লৈতোলশিং— অপিকপা মৈগী লৈতোন-শিংনা থম্মোইগী মপান্দা কোয়শিল্লিবা অসিনা পাপচেম্বশিংগী মথক্তা ঈশ্বরগী নুংশিবিবা লৈবদু ফোংদোক্লি। ঈশ্বরনা পাপ্পু তূক্কচরবসু মীওই-বদি নুংশিবিরি। পাপচেম্বশিংনা শিবা (নোরোক্তা ৱায়েন্বা) হায়বাস ঈশ্বরনা পামদে অদুবু মপূক্নীং হোংলক্তুনা হিংবা ফংবতু ইবুংঙো


Copyright ANGP

মহাক্না পামই। যীশুনা পাপচেন্বশিংবু কন্বিবা লাকখি। পাপচেন্না অমনা পূক্নীং হোংবসি স্বর্গদা য়াম্না হরাও-নুংঙাইবা থোদোক অমনি অপিকপা মৈগী লৈতোল অসিনা ইবুংঙো যীশু খৃষ্টগী ঈগী মরমদসু থঙ্গৎলি। ইবুংঙো মহাকসি তাইবংপানগী পাপ পুবিবা 'ঈশ্বরগী য়াওমচা' অতুনি।

১২। **স্বর্গদূত—** স্বর্গদূত অসিনা ঈশ্বরগী রাজ্যগী মতুং শিন্নি। লান্না চংশ্রুবা পাপকী পোংলুম পুরিবা নিপা অমসুং নুপীশিংনা মপূক্নীং হোংলক্লুনা ঈশ্বরগী মঙান অমসুং নুংশিবদু থম্মোইদুংদা ফংনবা ঈশ্বরনা য়া ঙাওবিবা পামই।

১৩। **খুনু—** খুনু অসিদি পাপ্পু, অকুম্বা অমসুং রায়েনবু কোকদোকহন্নিবা অচুম্বগী থবায়—থবায় অশেংবা খুদম্নি। মফম অসিদা থবায় অশেংবা অসি মীওইবগী থম্মোইগী মপান্দা লৈ। পাপ্না পান্নিবা মফমদুদা মহাক্না লৈবা ঙমদে।

নহাক্কী থম্মোইগী কিবম অদু লাইয়েকসিংগা মান্নবা ওইরবদি ঈশ্বরগী মফমদা কপচ-নোক্নবিয়ু, নহাক্কী থম্মোই ইবুংঙোদা কংশিল্লো অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী রাজ্যগী মঙাল্না ঙাল্হনবিয়ু। "প্রভু যীশু খ্রীষ্টবু থাজো, নহাকপু কন্বিগনি।" ঈশ্বরনদি পাম্লি, হোয়, ইবুংঙো মহাক্না নহাক্কী থম্মোইবু হোংদোকপিগনি, অনৌবা থম্মোই অমা পীবিগনি অমসুং অনৌবা পূক্নীং পীবিগনি হায়না হাশকপিরে। হায়রিবসি অনীশুবা লাইয়েক্তা উৎতুনা তাক্লি।




(২) মবাপ থঙজরক্ত না চঙজরক্লবা থম্মোই

# অনীশুবা লাইরেক

**অনীশুবা লাইয়েক** অসিনা **ঈশ্বরবু** থিবা হৌরকপা **অমসুং** পূক্নীং লোংলকপা **থম্মোই অদুবু** উৎলি। স্বর্গদূত **অসিনা**— "হিংলিবা, পাঙ্গল কল্বা, ময়া **অনী** পাল্বা **কবাকথাওদগী** হেন্না থোবা, হিংবগা থরায়গবু **অমসুং** তাংশমগা তিংশমগবু থাইদোকপা ফাওবা থিবা, **অমসুং** পূক্নীংগী হাথল অমসুং নীংববু খওলিবা" (ইব্রীয় ৪:১২) ঈশ্বরগী ৱাহৈ ওইরিবা থাওশাং **অমা** পায়রি। ঈশ্বরগী ৱাহৈনা মঙাকপু "পাপকী অতোমন্দি শিংনি" অমসুং "মীওইবনা **অমুক শিবা**, অদুগা অসিগী মতুংদা ৱায়েন্বা **অরেপ্পনি**" (ইব্রীয় ৯:২৭) হায়বনচিংবশিংসি নীংশিংহল্লি। পাপীশিং **অমসুং** থাজদবশিংগী **ফংফম** থোকপদি কায়ুক অমসুং গন্ধকপনা চাক্লিবা মৈগী পাং মপুংদনি। অংংোপ্পা খুৎ **অমদনা** কোক্কী **ভূম্বা** **অমা** স্বর্গদূত অসিনা পায়রি। ঐখোয় পূম্নমক শিগনি হায়বসি মসিনা নীংশিংহল্লি। ঐখোয়না য়াম্না লুনা তোজারবা, শেংঙনবা-চাংহল্লিবা, **ফজহল্লিবা**, **অমসুং** মসিগী অপাম্বা অমদি অনীংবা থুদিংমকপু থুংহল্লিবা, **অমসুং** পেলহল্লিবা ঐখোয়গী হকচাং অসি লোংমদি শিগনি **অমসুং মাঙখ্রগনি**। **অদুবু** ঐখোয়গী **থৱায়দি** লোমদনা লৈগনি অমসুং লোংমা **ঈশ্বরগী** ৱায়েন ফম্বে মাঙদা লেপকনি।


মফমসিদা পাপী অমনা ঈশ্বরগী নুংশিবা ৱা **অদু** লৌশিঞ্জদুনা ইবুংঙো মশাক্কী মফমদা মাগী থম্মোই হাংদোকচবা হৌরকপা **অদু** ঐখোয়না উরি। থৱায় অশেংবন অমম্ব অমদি পাপ থল্লবা থম্মোইদা ডাম্বা হৌরকলি। ঈশ্বরগী মঙাল্না শঙদুদা চঙদুনা অমম্বা পূম্নমকপু তান্থোক্লি। ঈশ্বরগী মঙাল চঙলকপা মতমদা অমম্ব চংথোকখিবা তায়। মথল মথাগী শাশিংনা শক্লম লৈরিবা পাপ অসি চেন্থোকখিবা তায়। মরমসিনা, পাপিরিবা মরুপ, তাইবংপানগী মঙাল যীশুবু নহাক্কী



Copyright ANCP

থম্মোইনুংদা চঙহনবিয়ু। লাইয়েক অসিদা উৎলিবগুম্না অমম্বা অম্বদি অমম্বগী থবক পুম্নমক নঙোন্দগী থোকখিগনি। যীশুনা হায়, "ঐদি তাইবংপানগী মঙাল্নি, ঐগী ইতুং ইল্লিবা মী অহনা অমম্বদা চংলরোই" (যোহান ৮:১২)। নহাক্কী হোৎনজবনা, নশাগী লৌশিংনা নত্রগা মী-ওইবগী লৌশিংনা নহাক্কী থম্মোইনুংদা লৈরিবা অমম্বা অহু তাম্থোকপা শুকঙম ঙম্লোই। খ্বাইদগী অচম্বা, শোয়কদ্রবা, অথুবা অমস্থং খ্বাইদগী মহৈং য়াম্বা অমদি অমতা ঙাম্নবা লম্বীহুদি মঙান ওইরিবা ইবুংঙো যীশুবু চঙহন্বনি, মহুতদা অমম্বা হায়বদি পাপ অহু শোয়দনা থোকখিগনি। থা অমস্থং থরানমিচাকশিংনা অমম্বা অহিংদা খর মথৈদি মঙান পীরি, অদুবু নুমিৎ থোক্লকপা মতমদদি অমম্বা অমস্থং হন্থবা মঙান্দু মাঙখি। যীশুদি ধর্ম্মচেম্বগী মঙাননি। ইবুংঙোনা যেরুশালেমদা লৈবা ঈশ্বর নীংনশঙদা চঙবদা যন, য়াও অমস্থং খুনুশিং য়োম্লম্বহু তাম্থোকখি অমস্থং শেঙ্লোই কায়বশিংগী শেল অহুবুস্থ চাইথোক্তুনা হায়খি, "মসি ইগ্রবান, 'ঐগী শঙবু হায়জবগী শঙ কৌগনি' অদুবু নখোয়না মহু দাকুশিংগী মকোল ওইহল্লি" (মাথি ২১:১৩)। নহাক্কী থম্মোই অসি ঈশ্বরগী য়ুম অমস্থং অশেংবা শঙ ওইনা তম্নকঙ্গবনি। ইবুংঙোনা মসিদা লৈনীংই; মসিবু ফজহননীংই, অদুগা মঙাল্না, নুংশিবনা অমস্থং হৱাওবনা থল-হননীংই। যীশুনা ঐথোয়গী অয়োল-অয়ান ঙাকপিনবতা লাকপা নত্তে, অদুবু পাপকী পাঙ্গল অমস্থং পাপ্না শুহুম চম্বদগী থাদোকপিনবা অমস্থং নীংতমহনবিনবা লাকঙ্গবনি। "মচানিপা অহুনা (যীশু) নখোয়বু ননীং তমহল্লবদি, অওইবমক নখোয় ননীং তমগনি" (যোহান ৮:৩৬)।

Copyright ANGP




(৩) পূক্নীং হোংলবা থম্মোই

# অহুমশুবা লাইয়েক

তশেংনা পূক্নীং তোংলব মী অমগী থম্মোইগী ফিবম অতু লাইয়েক অসিনা উংলি। মহাক্কী মরম্না ইবুংঙো যীশুবু ক্রোস্তা হাংদনখিবা অতুগুম্বা হায়নিংঙাই লৈতে। ফত্তবা পাপশিংদু হৌজিক মহাক্না খঙবা ঙম্লক্রে। ঈশ্বরগী রাইহ এইরিবা স্বর্গদুত অদুনা উইনবিরিবা ক্রোসতু মহাক্না য়েংজবদা থম্মোই কায়জরি অমসুং মশানা তৌখিবা পাপশিং অদুগীদমক্তা থম্মোই শোরা নুংঙাইরক্তে, অমসুং পেন্নক্তে। ঈশ্বরগী হায়নিংঙাই লৈতবা নুংশিবদু মচানিপা যীশু খৃষ্টগী মপান্না উংপিবদু, হায়বদি ইবুংঙো যীশু খৃষ্টনা মশানা য়ানীংনা শিরাপ ফংলবা উদুদা মহাক্কী পাপ ময়াম অদুবু পুবিদুনা মহাক্কী মহুত্তা শিবিবদু উবদা মাগী থম্মোই নোথোক্লক্রে। যীশুবু কুখিবা, তিংখংগী লুহুপ উপ্পিখিবা, মখোঙ মখুত্তা ঙমথরবা য়োংপী থাজিন্দুনা ক্রোস্তা ঐখোয়গীদমক্তা শিখিবগী অচুম্বসি পূক্নীং তোংলবা মী অমগী থম্মোইদা য়াম্না শেংনা অমসুং লূথনা ফাওরকই। অদুগা মসিনা মাগী থম্মোইদা, অমসুং পুন্সিদা অহোংবা পুরকই। মহাক মশামকপু মিংশেন্দা উজবগুম্না উইনবিরিবা ঈশ্বরগী রাইহদু অসুম পাজবদা মহাক্না ঈশ্বরগী মফমদগী কয়ামুক লাপ্পুথোক্লম্বা অমসুং ঈশ্বরগী য়াথং তিক্তোক্তুনা কয়ামুক লাপ্না চংথোক্লম্বগে হায়বদু চেন্না-চেন্না রাথল তারক্রে। ঈশ্বরগী ওইবা পূক্নীং রাবা অমসুং থম্মোই কায়বা অদুনা মহাকপু শোক্তুনা পূক্নীং রাবা অমসুং কপচবগা লোয়-ননা ঈশ্বরগী মাঙদা থম্মোই কংশিঞ্জরক্লে। অসুম্না মবুংঙো যীশুনা মনাক্তা নকশিনবিরক্লমই। "ঈশ্বরগী মচানিপা যীশু খৃষ্টগী ঈনা পাপ খুদিংমকপু শেংদোকপি" (১ যোহান ১:৭) হায়বসি মহাক্না খঙজরকপদা ঈশ্বরগী নুংশিবা অমসুং ইংথবনা মাগী থম্মোইদা থল্লক্লমই। "থম্মোই কায়জরবশিংগী মনাক্তা যঙোবানা লৈবি; অদুগা থরায়দা কিন্থরবশিংবু

Copyright ANCP

কন্বি” (ঈশৈ ৩৩:১৮)। অমুক্কস্থ ঈশ্বরগী ৱাহৈনা খঙহন্বি, “মী অদুবু হায়বদি তোল্ল-তারবা অমসুং পূক্নীং শোক্লবা অমদি ঐগী ৱাহৈ তারগা নীকচবা মহাক অদুবু ঐনা য়েংবিগনি” (যিযাইয়া ৬৬:২)। থৱায় অশেংবনা ইবুংঙো যীশুগী ৱাহৈনা মাবু থেমজিনবি, “ইচানিপা (ইচাহুপী) হৱাওজো নহাক্কী পাপ পূন্নমক কোকপিরবনি”। যীশুনা ক্রোস্তা ঈ শিন্থবিখিবা অদু মহাক্কী মরমগীদমক্তনি হায়বা থাজদুনা অসুম য়েংজবদা মহাক্কী পাপকী পোংলুমদু লৌথোকপিখ্রে হায়বা খঙজরক্লে। মরমদি যীশুনা ঐখোয়গী অৱা-অনা পূন্নমক মথক্তা থোঙ্গংপিখ্রে অমসুং পুবিখ্রে। মরমদি “ঐখোয়না ৱায়েন-য়াথং কায়হন্বগী মরম্না ইবুংঙোদা শোকপনি, ঐখোয়না ফত্তবা তৌবগী মরম্না ইবুংঙোবু য়ৈথায়-শুগায়বনি” “তশেংনমক ঐখোয় পূন্নমক্কী অয়োল-অৱান ইবুংঙোদা থোঙ্গংখ্রবনি” (যিযাইয়া ৫৩)।

শেংদোক্লবা থম্মোই অদুবু থৱায় অশেংবনা অমসুং ঈশ্বরগী নুংশিবনা খুদুম চনশিনবিরে। থাজবগী মপান্না ক্রোস্তা অমসুং যীশুদা য়েংজবদা মহাক্কী পাপ পূন্নমক ঙাকাপিরে হায়বা মহাক্না খঙলক্লে। ঈশ্বরগী মচানিপা যীশু খৃষ্টগী ঈনা মহাক্কী পাপ পূন্নমক শেংদোকপিরে হায়বা মথম্মোইদা লেপ্নমক খঙজরে (১ যোহান ১:৭)। খৃষ্টদা থাজবা মহাক মাঙলরোই (নোংরোক্লা চংলরোই), অদুবু লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংলে; হায়বসি মহাক্না হৌজিক্তি তশেং-তশেংনা খঙজরক্লে (যোহান ৩:১৬)। মরমদি যীশুদা “ঐখোয়বু ইবুংঙোগী ঈগী মপান্না হন্দোকপিবা, অমসুং ইবুংঙোগী মৱাং-কায়বা থৌজালগী মপান্না ঙাকপিবদু ফংজরে” (এফিশা ১:৭)। হকচাংগী ওইবা পাপকী মীহৌবদু থাদোকতুনা হৌজিক্তি ঈশ্বরগীদমক্ত হিংনীংবা অমসুং ‘ঐখোয়বু হান্না নুংশিবিবা’ ইবুংঙোবু মহাক্না থৌগল তৌজবা পাল্লক্লে। তাইবংপান

অমসুং তাইবংপানগী পোংশিংবু নুংশিবগী মহুত্তা ঈশ্বরবু অমসুং ঈশ্বরগী ওইবা শিংদু হেন্না নুংশিবক্লে।

মরমসিনা লাইয়েক অসিদা পাপকী মহুং শিল্লিবা শাশিংসি হৌ-ভিক্তি থম্মোইগী মপান্দা লৈরি, অদুমকপু সৈতান্দি মহাক্কী হান্না লৈরমফম অদু থাদোকনীংদনা হন্না-হন্না য়েংলি, অমসুং অমুক হন্না চঙবা য়াবা লম্বী থিরি। মরম অসিমক্না ইবুংঙো যীশু খৃষ্টনা ঐখোয়দা অসুম ইনশিনবিরক্লিবনি,— মিংশেং থাওউ, অমসুং হায়জো; দিয়া-বোলনা নখোয়দগী চেনখিনবা মায়ওক্লো।

## সরীশুবা লাইয়েক


Copyright ANGP

ঐখোয়গী কন্বিবা মপু যীশু খৃষ্টগী ঈরাংপিবা মপান্না হন্দোকপিরবা অমসুং মপুংফাবা ইংথবা ফংলবা অমসুং *খৃষ্টনা ক্রোসতা শিথিবা অদু নত্তনা অতৈ করি অমতদা চাউখোকফম লৈত্রে হায়বা অরেপ্পা ফংলবা খৃষ্টান অমগী মতৌদু লাইয়েকসিনা উংলি (গালাতীয় ৬ঃ১৪)। যীশুনা

---

*পাখোনচংপা পোলনা হায়, "ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী ক্রোসকী মরমদা নত্তনা চাউখোকচবা ঐগী ওইদসনু; মদুগী মপান্না তাইবংপান্না ঐঙোন্দা, অদুগা ঐনা তাইবংপাক্লোমদা ক্রোসতা শিরে।" (গালাতীয় ৬ঃ১৪)

পাখোনচংপা পিতরনা হায়, "পাপলোমদা শিরদুনা ঐখোয়না ধর্ম্ম-চেনবরোমদা হিংননবা, ইবুংঙো মশামক্না উথক্তা ইবুংঙোগী হকচাংদা ঐখোয়গী পাপ পুবিরে; ইবুংঙোগী চৈক্কম্মা নখোয়বু নাবা ফহনবিরে।"
(১ পিতর ২ঃ২৪)




(৪) খৃষ্টগা লোম্নমা পাংথিংমিন্নরবা

ক্রোস্ত শিথিবসি ঐখোয়স্ত পাপ্তা শিনবা অদুগা ধর্ম্মচেম্বরোমদা হিংনবনি (১ পিতর ২:২৪) হায়বদি, তাইবংপানরোমদা শিন্নবা খৃষ্টান হায়বনি। মরম অদুনা ঐখোয়দা অস্তুম্না থোৌদাবিরে, "থৱায়গী মপান্না চৎলু অদুগা হকচাংগী কন্নাবা অদু থুংহনগনু" (গালাতীয় ৫:১৬,২৫)।

ইবুংঙো যীশু খৃষ্টবু মফি শেগায়বিরগা মৃত্যুদা পুনথিবদু থম্মোইগী লাইয়েকসিগী মৃত্যু অসিনা উৎলি, অসিগা লোয়ননা ইবুংঙোবু শাথীনা কুশিবা অমসুং মশাদা খোত্তৎহনথিবা শাজৈশিংহুস্ত লাইয়েকসিদা উৎলি। ঐখোয়গী পাপকীদমক ইবুংঙোবু য়ৈবিরে মরমদি, "ঐখোয়দা ইংথবা পিনবগীদমক চৈরাক ইবুংঙোগী মথক্তা তাথিবনি"। হেরোদ নিংথৌ অমসুং মাগী মীশিংনা ইবুংঙোবু করেম্না তৌবিরমই, অদুগা ইবুংঙোবু কু-চৈরবগী মতুংদা মকোক্তা তিংখংগী লুহুপ অমা নমশিনবিরমই—সনাগী লুহুপ উপ্পিবগী মহুত্তনি; অমসুং ইবুংঙোগী য়েৎথংবা খুৎতা শিংনাং অমা পায়শিলহল্লমই—নিংথৌগী রাষ্ট্রে পায়হবগী মহুত্তনি, অদুগা ইবুংঙোগী মাংদা মখোয়না করেম্বদুনা নোপ্তুরগা অস্তুম্না হায়রমই, "য়াইফৌ, হে য়িহুদিশিংগী নিংথৌ"। মখোয়না ইবুংঙোগী মায়দা তিন শিৎচিল্লমই অমসুং মখুৎতগী শিংনাং অদু লৌরগা ইবুংঙোগী কোক্তা ফুয়মই। মখোয়না ইবুংঙোবু অস্তুম্না ঙীকায়বা পিরবা অমসুং করেম্না তৌরবা মতুংদা ক্রোস্তা পাংতিংনবা পুখিরমই।

ঙসিস্তু, চর্চদা খুরুম্বা য়াওবা, 'প্রভু চাকথাংবা' য়াওবা অমসুং ভগ্নরগী ওইবা ঙৈশে শকপা অদুবু মখোয়গী ফত্তবা থবক্তা মখোয়গী কন্নিবা মপুবু নোংগোননা ক্রোস্তা পাংতিংবা, খৃষ্টান হায়না কৌবা মীওই কয়ামক্রুম লৈ। "ঐঙোন্দা প্রভু, প্রভু হায়বা মী খুদিংমক্তা স্বর্গ লৈবাক্তা চঙলোই. তৌইপ অমসুং স্বর্গদা লৈবা ইপাগী নীংবা তৌরিবা মী অদুনা চঙগনি" (মাথি ৭:২১) হায়না ইবুংঙো যীশু মশামক্তা হায়বিরম্বদু ঙসি নীংশিংনীংঙাইনি।

শেল পাম্বদা মথল্লায় লুপথ্রবা অমদি মপূক্নীং মমথ্রবা, ইবুংঙো যীশু খৃষ্টবু লুপাগী শেল মচেং কুন্থ্রাগা খুংশিন্নচুনা পিখোকপা যীহুদা ইস্কারিয়োৎকী শেঙ্গাউ অহুম্ব লাইয়েক অসিদা উরি। থাউমৈ, য়োল্লিংন-চিংবশিংসিস্থ ইবুংঙোবু অহিংদা ফাজিনখিবদা লান্মীশিংনা শিজিন্নখিবনি চৌবর মন্নশিংসিস্থ ঈশ্বরগী ব্রা-পুবশিংনা হায়া তাকথোক্লম্লবা 'মথোয়না ঐগী ফিরোল মথোয়গী মরক্তা য়েন্নৈ, অমস্থং ঐগী ফিজোনগীদমক লাইবকচাং য়েংই' (ঈশৈ ২২:১৮) হায়বা ৱাহৈ থুংবা ওইনা লান্মীশিংনা ইবুংঙোগী ফিজোন য়েন্নবগী লাইবক চাংয়েংবদা শিজিন্নখিবনি। মথোয়না ইবুংঙোদগী পুন্নমক লৌরমই, অদুবু মশামকপুদি 'নিপা অসিনা ইথক্তা পাম্বা ঐখোয়না পামদে' হায়না য়াবিরমদে। শন্না হায়রবদা, নোং চুহনবিবা, নুংশা শাহনবিবা হায়রিবা থোজাল পুন্নমকসি মীওইবনা ঈশ্বরদগী পামই তৌইগুম্বস্থং মথোয় মশামক ইবুংঙো মহাক্কী অমতা ঙায়বা লীচিং মথাদা শিন্নজবা অদুদি মথোয়না পামদে। মী অয়াম্বগী ৱাখলদদি মথোয়গী অৱা-অনং তাবা মতমদা ফংলিবা মতেং অদুতবু ঈশ্বরদগী ফংবা মতেংনি হায়না লৌই।

লান্মীশিংনা ইবুংঙোগী নাকথংদা অমস্থং থম্মোইদা তানা থিল্লমই 'অদুগা ঈ অমস্থং ঈশিং অদুদগী থোক্লক্লমই' (যোহান ১৯:৩৩-৩৫)। য়েনলাবনা খোংদ্রিঙৈদা পিতরনা যীশুবু অশুম্লক হায়া য়াখিদে, তৌই-গুম্বস্থং কাইনথংদা পূক্নীং শোক্না কপ্পুনা মপূক্নীং শোংলকখি। নহাক্না থবক অমস্থং ৱাহৈনা ইবুংঙোবু মীমাঙদা ফোংদোক্লিব্রা? নঙ্গগা মীমাঙদা অস্থম তৌবসি ইকায়ব্রা? যীশুনা হায়, "মীশিংগী মমাঙদা ঐবু য়াবা মী খুদিংমকপু ঐনস্থ স্বর্গদা লৈবা ঐগী ইপাগী মমাঙদা মহাকপু য়াবিগনি তৌইগুম্বস্থং মীশিংগী মমাঙদা ঐবু য়াদবা কনাগুম্বা অদুবু ঐনস্থ স্বর্গদা লৈবা ঐগী ইপাগী মমাঙদা য়াবিরোই" (মাথি ১০:৩২,৩৩)।

Copyright ANGP

যীশুনা অসুম্না হায়খি, "মাগী ক্রোস পুদুনা ঐগী ইতুং ইল্লক্তবা মহাক অদু ঐগীনি হায়বা মতিক চাদে" (মাখি ১০:৩৮)। যীশু খৃষ্ট নুংজাওগী মখক্তা লেপচবা মখোয় অদু য়াইফবনি!


"নুংজাও মাঙবা নাইদবা,
লোংচগে নখাদুদা;
প্রভুগী তা থিনফমদা
থোকপা ঈগা ঈশিংগা
অদুনা পাপ কোকপিয়ু
অয়োল-অরান ঙাকপিয়ু।"

## মঙাশুবা লাইয়েক

লাইয়েক অসিনা ঈশ্বরগী মপানাইদ্রবা নুংশি-থোজান্না কন্থিরবা পাপী অমগী শেংনা থায়দোক্কুনা থম্লবা থম্মোইবু উংলি। "কনাগুম্বনা ঐবু নুংশিরবদি, মহাক্না ঐগী বা ঙাক্কনি, অদুগা ঐগী ইপানা মহাকপু নুংশিবিগনি, অমসুং ঐখোয়না মঙোন্দা লাক্কুনা মহাক্না লোয়ননা ঐখোয়গী লৈফম শেমগনি" (যোহান ১৪:২৩) হায়বা ইবুংঙো যীশু খৃষ্টগী ৱাশক মতুং ইন্না মসি ঈশ্বরগী অশেংবা শঙ হায়বদি মপা ঈশ্বরগী, মচানিপাগী অমসুং থৱায় অশেংবগী লৈফম ওইরে। ঈশ্বরনা মীওইববু মচানিপা যীশু খৃষ্টগী মপান্না থোজাল পীবি অমসুং ৱাংনা থাঙ্গৎপি (লূক ১:৫১)। থম্মোই অসি হৌজিক্তি ঈশ্বরগী অশেংবা শঙ ওইরে। পাপ তান্থোকখ্রে। চিন্থীবা পূম্নমক্কী মপা সৈতান্না খুদুম চল্লিবা মথল-মথা অয়াম্বা শাশিংগী মহুত্তা অচুম্বা থৱায় হায়বদি থৱায় অশেংবনা থম্মোইসিদা লৈতানা লৈবদু ঐখোয়না উরি। হঙ্গোইরবা পাপকী তুংনফম ওইরম্বদগী থম্মোই অসি ঈশ্বরগী অমসুং মীগী মফমদা পেল-হনবা থৱায়গী মচৈশিং হায়বদি নুংশিবা, হরাওবা, ঈংথবা, নোল্লুকপা,



Copyright ANGP




(৫) ঈশ্বরণী অন্ত

কুইনা থাংবিবা অফবা, থাজবা, পূক্নীং ওম্বা, মশা খুদুম চন্বা আসিন-চিংবশিংসি পুথোক্নুনা ফজরবা মঠৈ য়াম্না পাম্বা হৈকোল অমগুম ওইরক্লে। তৌজিক্লি মগাকসি অশেংবা অঙ্গুর পাম্বী—ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী মঠৈ য়াম্না পাম্বা মশা অমা ওইরক্লে। মঠৈ য়াম্বা অদুগী অপৃক্পা অদুদি অসিনি: মহাক্না খৃষ্টদা লৈরে, অদুগা খৃষ্ট অমস্তং ইবুংঙোগী রাইনা মহোন্দা লৈরে (যোহান ১৫:১-১০)। মহাকপ থবায় অশেংবনা থম্বিবা মরম্না হকচাংগী করাম্বদু অমস্তং অৱিবা মী অদু শিংন্নবা মতিক লৈরে। থবায় অশেংবগী পাঙ্গলনা মহাক্না থবায়গী মপান্না চত্থুনা হকচাংগী ওইবা অদু নমথবা ঙমে। তৌজিক্লি মশাক উবা, হাবা অমস্তং পূক্নীং হকচাংদা ফাওবগী মপাম্না চংপা নত্তে, অদুবু থাজবগী মপাম্না চংপনি। মরমদি, খৃষ্টদা থাজবনা ভাইবংপানববু ঙমই। শোয়দবা অমস্তং অপিংবা তরং-তরং থওনা নীংবা থাজবগী মপান্না মহাক্না চংলি অমস্তং থুনা থোক্লগদবা মতিক মঙালগী ওইবা ঐখোয়গী ইবুংঙো যীশু খৃষ্টনা অমুক হন্নক্লগী তরং-তরং থওনা নীংবা অদুনা পাঙ্গল থোনা হাপ্পি। তংন-থানবা লৈতবা মতম পুম্বগী ওইবা ঈশ্বরগী নুংশিবনা অমস্তং ইবুংঙো মহাক্কী নুংশিবদা মহাক্না চংলি। "পূক্নীং শেংবশিং অদু য়াইফবনি, মরমদি মখোয়না ঈশ্বরবু উজগনি" (মথি ৫:৮)। নিংথৌ দায়ূদনা মহাক্কী ইনাকখুন্বা অমস্তং মহাক্কী য়েংকবশিংগী মথক্তা লানথম্বা ওইজরবস্তু থাইদগী চাউবা মহাক্না শোক্লরিবা লাল অদুদি মহাক্কী থম্মোইনুংদনি হায়বা খঙজখি, অমস্তং মহাক্কী নুংগী ওইবা অশোবা অরাংপা অদু খঙজদুনা হায়জখি "হে ঈশ্বর, ঐগী নুংদা অশেংবা থম্মোই শেম্বিয়ু, অদুগা ঐগী নুংদা অচুম্বা থবায় হাপ্পিয়ু" (ভাইশ ৫১:১০)। দায়ূদনা তৌখিবা অদুগুম্না অনৌবা থম্মোই অমা মহোন্দা শেম্বিয়ু হায়না ঈশ্বরদা হায়জবা অমস্তং পূক্চেল শিংনা কত্থবদগী পূক্নীং শোংদুনা ঈশ্বরদা লাকচবা নত্তনদি মশাগী থম্মোইবু শেংদোকচবা



Copyright ANGP

অমসুং অনৌবা অশেংবা থম্মোই অমা শেমগংচবা মী কনামতনা ঙমদে। ঈশ্বরনা নহাক্কী পুন্সিদা অনৌবা থবক অমা তৌবনীংই। নশাগী ওইবা ধর্ম্মচেন্নগী শেগায়রবা ফদি-ফরাগী কিন্তু পাঙথোক্লরোইদবা রাশক অমদি রারেপ কয়ানা ফোংচিন্দুনা নহাক্কী থম্মোইদু ঈশ্বরগী মফমচাবা লৈফম ওইবা য়াররোই। ইবুংঙোনা নহাকপু পাঙবিবা য়াম্না পামই মরমদি ইবুংঙোনা অসুম্না রাশকপিদুনা হায়রিবি, "ঐনা নখোয়গী নখক্তা অশেংবা ঈশিং থিক্কনি; অদুগা নখোয় শেংগনি, নখোয়গী অমোংপা পূম্নমক্কী অমসুং নখোয়গী মুত্তি পূম্নমক্কী ঐনা নখোয়বু শেংদোক্কনি। ঐনা নখোয়দা অনৌবা থম্মোই পীবিগনি, অমসুং ঐনা নখোয়গী থুংদা অনৌবা থরায় থম্বিগনি; অদুগা ঐনা নখোয়গী হকচাংদগী নুংমুক কথা থম্মোইদু লৌথোক্কনি অদুগা ঐনা নখোয়দা তোংশামুক থাংপা থম্মোই পীবিগনি। অদুগা ঐনা ঐগী থরায় নখোয়গী থুংদা থম্বিগনি; অমসুং নখোয়বু চৎনপথাপশিংদা চৎহনগনি, অদুগা নখোয়না ঐগী রায়েনশিং ঙাক্কনি অমসুং তৌগনি" (যিহেসকিয়েল ৩৬ঃ২৫-২৭)। মসি ঈশ্বরনা মাগী মচানিপা যীশু খৃষ্টগী ঈনা রারেপপিখ্রবা 'অনৌবা রারেপ্পবা'* দা থুংহল্লিবা অদুনি।

লাইয়েক অসিদা স্বর্গদূতসু অমুক হন্না য়াওবা ঐখোয়না উরি। স্বর্গদূতশিংসি লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংগদবা মীশিংবু ঙাকপি-শেনবিনবা ঈশ্বরনা থন্দোকখ্রবনি অমসুং ইবুংঙো মহাকপু কিজবশিংদুবু মখোয়না ঙাকপি শেনবি (ঈশৈ ৩৪ঃ৭;৯১ঃ১১ঃ দানিয়েল ৬ঃ২২; মাথি ২ঃ ১৩;১৩ঃ৩৯;১৮ঃ১০; পাথোনঃ থবক ৫ঃ১৯;১২ঃ৬-১০)।

---


*ঈশ্বরনা মীওইবদা পাপকী উশিল ওইনা জিবা (শা উচেক; অমবু ঈরাংনবা অয়াবা পীরম্বা মতম অদুবু অরীবা রারেপ্পবগী মতম কৌই। অদুগা তুংদা ইবুংঙো খৃষ্ট মশামক্তা মপুংফাবা ঈরাংপোং ওইনা কংপিদুনা অরীবা রারেপ্পবা অদু চৎনখিদবা মতম অদুবু অনৌবা রারেপ্পবগী মতম কৌই।

দিয়া:বালস্থ থম্মোইগী মপান্দা মাগী হান্নগী লৈরমক্কম অতুদা অমুক হন্না চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা য়েংতুনা লেপ্তুনা লৈবত্থ ঐখোয়না লাইয়েক অসিদা উরি। মরম অসিনা মিকুপ-নাহুম শিংনবা অমস্থং মিংশেন খাঙতুনা হায়জনবা ঐখোয়বু পাউমেন্বিরিঃ "পূক্কীং লাকশিন্নু, মিংশেন খাঙউ; নখোয়গী য়েক্কবা দিয়াবোলনা খোংলিবা নোংশাগুম্না কনাগুম্ববু চাথোক্কবা থিতুনা কোয়চং-চংলি" (১ পিতর ৫ঃ৮)। য়াম্না তোয়না মহাক্না স্বৰ্গদুতকী শকওংদা ওপ্লোকই, মিকুপ-নাহুম শিংহৌদবা অশেংবশিং (ঈশ্বরগী মীশিং) বু তাইবংপান্বগী ওইবা কারাম্বনা লান্না চিংই অমস্থং মহাক্কী লৌনম অমস্থং খুৎলৈ নারৈনা ঈশ্বরনা খন্দোক্লবশিংবুস্থ মীনমই। অতুম ওইনমক ঐখোয়না দিয়াবোলবু থিংলবদি মহাক্না ঐখোয়দগী চেনখিগনি (যাকোব ৪ঃ৭)।

## তরুকশুবা লাইয়েক

Copyright ANGP

নীংহন্নগুবা খৃষ্টান অমগী অরাবা লাইয়েক অতু অসিনি। মিং নামাদ উইশিন্বা হৌদুনা মহাক্কী খৃষ্টান পুন্সিসি ঈংথরক্লে অমস্থং তম্থরক্লে হায়বা তাক্লি; অতুগা মিং নামনা ঈকায়খওদনা কোয়েং-য়েংতুনা তাইবংপান্ববু নুংশিরক্লি। মঙোন্দা লৈবম্বা মঙান্দু মমথরক্লে অমস্থং খৃষ্টগা লোয়ননা অরা-অনং পুমিন্নগনি হায়বগী থম্মোইদা লৈবা খুদমশিংতুস্থ মশীং হন্থখ্রে অতুগা তিংনা লেপ্তুনা লৈত্রে। মহাক অথেম্বনা পুংকোয়-কোয়শিনখ্রে, অতুগা মতুবু থিংবগী মহুত্তা মতুদা মথং-মথং য়ানশিনখ্রে। ঈশ্বরগী খোঞ্জেল তাবগী মহুত্তা অথেম্বা মপুদগী লৌনম লৈরবা বাঁশিং অমস্থং ওইথোক্লরোইদবা বাশকশিংদা মহাক্না তাবা হৌরক্লে। মহাক্কী ফত্তবা অতু ধৰ্ম্মগী মিংদা কুপশিন্নগা চর্চদা কারম্বা য়াই অতুমকপু মহাক্কী থম্মোইদদি ঈশ্বরবু নুংশিবা লৈত্রে। অনীগী মরক্তা অমত্ত




(৬) থেমদোক্লবা অমসুং অনীলোঙবা থম্মোই

খন্দোকপা লৈতনা মহাক পূক্নীং অনী লোংবা হৌরক্লে। মহাক তাই-বংপান্বগী ইরাংদা মিং থকপা হৌরক্লে, অদুবু ঈশ্বরবু থুংশিবদি শারি। মহাক্না থম্মোইগী থৱানমিচাক অচুম-অরান খঙবগী পূক্নীং অদুসু মমথরক্লে। খৃষ্টগী মরমদা অৱা-অনং পুবা অদু হরাও তয়াম্বা ওইদ্রে, পুনীংদবা পোংলুম অমা ওইরক্লে। মহাক্না থাজবসু নোম্বা হৌরক্লে, প্রার্থনা তৌদুনা ঈশ্বরগা তিন্নজবা অদুসু লেপখ্রে, মহাক্না থৱায়গী ওইবা হিরমদা থৌশা রাশাদ্রে, অদুগা মহাক্না থম্মোইগী মপান্দা লৈরিবা অথেম্বা মপুদা মঙম পীবা হৌরক্লে। ঈশ্বরবু চুম্না থাজবা মীশিংগা শক্নক ফং-মিন্নবদগী হেন্না তাইবংপানগী ওইবা মরুপ মপাংশিংগা লোয়নজবনা হেন্না মহান্না থুংঙাইজরক্লে।

চাউথোকপগী শক্তম লৌরিবা রাহেংনা মঙোন্দা চঙকম অমা থিরি। মহাকপু থৌজাল ওন্না কন্বিবনি হায়বসি কাংথোক্লুনা মহাক চাউথোকপা খৃষ্টান অমা ওইরক্লে। যুথক-যুঙাওবনসু থোঙদা য়ৈরি অমসুং চঙকম থিরি। মহাক ময়ামদগী ইংোন-তোঙাল্লি, শোল্লি, ময়াম তিন্নবা হৈংতে হায়না থনগদবা অথন্নবা থৌদোক অমদা নত্রগা ফত্তবা মরুপ-মপাংশিংগী তিন্নফমদা দিয়াবোলনা মঙোন্দা হায়রি— অসিগুম্বা অমা পাঙথোকপ-সিনা নহাক্না থৱায়গী হিরমদা করিসু শোকহন্বা ঙম্লোই। মসিদি মীওই-বগী মহৌশানি, অমদুদি পাপ নত্তে হায়বনচিংবা দিয়াবোলগী লৌনম ৱা তাদুনা ফত্তবা ফাগী-জুগাই শান্নবদা, কাতু-কারনগী লাইয়েক কয়া হন্না-হন্না য়েংবদা লমচং চুমদবা মীওইশিংগা মরুপ-মপাং শাবদা, অমসুং ফত্তবা তিংব য়াওবদ হৈনরক্লে।

ফত্তবা অমসুং শক্নদব রাথলগী ওইব লম্নক্না উচেকশিংনা ঐথোয়গী কোকথক্তা পাইরক্লবদি মদু ঐথোয়না খিংবা ঙমদে, অদুবু মথোয়বু ঐথোয়গী থম্মোই ংদা মকোন শাহন্দুনা মথোয়গী ফত্তবা থবক্নী মচা কোকহল্লবদি মদু ঐথোয়গী ইরালনি। ঐথোয়না দিয়াবোলদা ঐথোয়গী

Copyright ANGP

খুনাউবী পীরবদি, শোয়দনা মহাক্না খূৎ অপুন্বা ফাজিনথিগনি––থরায়, হকচাং পুম্বা লোম্বা নাইদবা নোংলোক্তা চিংথখিগনি। মরমসিনা ঈশ্বরনা ঐখোয়দা শেংনা লুনা থওহন্বিবদি অসিনি, নহা ওইবগী কারাধ্বা অতুদগী চেম্ষোকউ, অমম্বুং পাপ্না তোঙান্বা মওং অমদা লাকপা ওইরবস্থু মতুংগা শান্নবা হৌগনু। কম্বিবা অমদি লানঙম্বা মপু যীশুদা চেনশিঞ্জো।


লাইয়েকসিদা নিপা অমনা থম্মোইদা থাঙনা থিল্লিবসি, খৃষ্টানশিংগী মায়োক্তা লৈবশিং অমম্বুং নোক্নবশিংবু থঙহল্লি। মখোয়গী থাঁনা-গাঁনা ঙাঙবা লৈনা অমম্বুং করেম-কথাইননা ঙাঙবা চীন্বান্না খৃষ্টানশিংগী থম্মোইদা তানা থিন্বগুম্মা থম্মোই শোকহল্লি। অসিগুম্মা লান্দাবসি পূক্নীং অনীলোঙবা খৃষ্টান্না থাঙবা ঙমদে। মহাক্তি ঈশ্বরবু কিবদগী মীবু হেন্না কি। মীনা করি হায়গদগে অমম্বুং করি তোউগদগে হায়না কিবগী মরম্না মীগী মনাই ওইরক্লে, অতুগা ঈশ্বরদগী লাপথোকখ্রে। হৌজিক্তি মহাক, অরাবা তাবা অমম্বুং নীংবা থুংদবা মতমদা ফত্তবা মচিং লাক্কুনা শাওহল্লি। অতুগা অতোপ্পনা হেন্না মায়পাকপা অমম্বুং চাওখৎপা উবদা মীহৌবগী ফত্তবা লিন অদু চঙলক্কুনা তূক্কচন্নহম্বা অমম্বুং রেংথিনবা খোকহল্লি।

“নখোয়না অথেম্বদা চঙদনবা মিংশেন থাঙত্নুনা হায়জো” (মাথি ২৬:৪১) হায়রবা ঐখোয়গী ইবুংঙো যীশু খৃষ্টগী চেকশিন ৱা অসি চেংনা থমজবা নত্রবদি, ঐখোয়দা শেল-থুম হুংগাশিবগী ওইবা মীহৌবা, কারাম্বা অসিনচিংবসি ইরায়-লায়না চঙলকই। “মরম অতুনা লোন্নি হায়না নীং-জবা মহাক অতুনা তাবা য়াই হায়হুনা চেকশিঞ্জসনু” (১ কোরিন্থীয় ১০:১২)। দিয়াবোলগী লৌনমগা মায়োক্নবা ঙম্নবা ঐখোয়না ঈশ্বরগী লানফিজেৎ অপুম্বা শেৎচিনগদবনি (এফিশা ৬:১১-১৮)।

# তরেৎশুবা লাইয়েক

লাইয়েক অসিনা নীংহন্নখ্রবা খৃষ্টানগী থম্মোইগী ফিবম অতু উৎলি। মহাক মতম অমদা মঙান ফংখ্রবা অমসুং স্বর্গগী ওইবা খূদোল মহাও তংখ্রবা অমসুং থরায় অশেংবা শরুক য়াখ্রবা মতুংদা তাখিবনি। মসিনা অমরোমদসু অকবা রাপাওগী অচুম্বতু ফংহল্লবা অমসুং উৎপিরবা ফাওবদা মপূক্নীং শুকহোং-হোংদ্রিবা নত্রগা ঈশ্বরগী মফমদা মশামকপু শিন্নজদ্রিবা মীগী ফিবমতু উৎলি। ঈশ্বরনা মঙোন্দা ৱা ঙাঙবিরবা মতম ফাওবদা মপূক্নীং কনশিন্দুনা লৈবা মী অতুদি মহাক্না মশামকপু ফনবা কয়া কন্না হোংনজরবসু অরেম্বদা তাহনা হেন্না-হেন্না ফত্তবা ওইরক্কনি। নীংহন্নখ্রবা খৃষ্টান অমগী মরমদা খঙহনবদা যীশু মশামক্না অসুম্না তাকপিখি, "শেংদবা থরায়না মী অমদগী চখোকপা মতমদা পোথাকম থিদুনা ঈশিং ফংদবা লমদা কোয়চং-চৎলি, অদুগা করিসু ফংদতুনা হায়, "ঐনা থোকখিবা ইয়ুম অদুদা হজিল্লগে অমসুং মানা লাকপদা মতু শিত্তোক্লম্বা অমসুং লৈতেংলম্বা উবদা মানা মঙোন্দগী হেন্না ফত্তবা অতোপ্পা থরায় তরেৎ পুরক্লগা চঙশিন্দুনা মতুদা লৈ, অদুগা মী অদুগী অকোনবগী ফিবম অহনবা অদুদগী হেন্না ফৎলক্কে" (লূক ১১:২৪-২৬)। "অচুম্বা পাউরোল অসিগী মতুংইন্না মথোয়দা থোক্লে, হায়বদি, হুইনা মাগী অওবদা অমুক হজিল্লি, লুথোকপিরবা ওকপীনা লৈথোমদা লৈওল্লি" (২ পিতর ২:২২)। শাস্ত্রগী ৱাহৈশিংসিনা নীংহন্নখ্রবা খৃষ্টান অমগী নত্রগা পূক্নীং হোংদ্রিবা পাপী অমগী ফিবম অতু য়াম্না নীংথিনা তাকই। পাপনা মাগী মীনম চিঙ্থীবা পূম্নমক্না লোয়ননা থম্মোইসিদা পান্নবা অমুক লাক্লে। মাগী মায়থোংসিদসু থম্মোইনুংদা ওইরিবতু থর মথৈদি ফোংদোক্লি! থরায় অশেংবগা পাপকা পুন্না লৈমন্নবা য়াদবনিনা থরায় অশেংবা—ঈংতপ্পা থুনু অদু থম্মোইদুর থাদোক্লম্বা তারে।

Copyright ANCP




(৭) নীংহন্নরবা নত্রগা কনশিল্লবা থম্মোই

মরমদি থম্মোইদি মতম অমতদা ঈশ্বরগী শঙ অমসুং সৈতানগী মকোন ওইবা হায়বসি ওইথোক্কবনি। নিপা নল্লগা নুপী অহুনা ওক্কবা মচানিপা অহুগুম্না পূক্নীং হোংলক্কবা নীংতুনা ঈশ্বরগী ৱাহৈ ওইরিবা স্বর্গদুত অহু পূক্নীং ৱানা তুং হন্না-হন্না য়েংতুনা মফমদু থাদোকলম্লে। ওক্কবা মচানিপা অহুনা "ওক্না চাবা ওকচাক অহুনা মপুক থনহলনীংলমই অহুবু মী কনানসু মঙোন্দা পীবিরমদে। তৌইগুম্বসুং মশা মথন্তা হন্থনা থল্লবদা হায়জরকই, 'ঐনা হৌগত্নুনা পাবাগী মফমদা চৎলগা মঙোন্দা হায়জরুগে. পাবা, ঐনা স্বর্গবু য়েক্লতুনা নহাক্কী নফমদা পাপ তৌরে, হৌজিক ঐ নহাক্কী নচানিপা কৌবা মতিক চাদ্রে।' (লুক ১৫: ১৬-১৯)। মপা অহুনা পূক্নীং হোংলবা মচানিপা অহুবু ঙাকপিরমই অমসুং মহাকপু লৌশিনবিরমই।

লাইয়েক অসিগী থম্মোইসিদি চুম্না পূক্নীং হোংলকপগী খুদম অমত্তা লৈতে, ঈশ্বরদসু মায় ওনশিনলক্কে, মপাপ কোকপীনবা ইবুংঙো যীশুগী খুয়াদা লাকচরবসু লৈতে। মহাক্কী অচুম-অরান খঙনবা পূক্নীং অদুসু মে ঙাংনা ইকপা য়েংনা চাক্তুনা শিংথবগুমলে। মহাক্কী মনা পাল্লি তৌইগুম্বসুং ইবুংঙোনা তাকপিব ৱাদি তাদে। মহাক্কী মমিৎ পাল্লি অদুবু মথ নাইদবা নোরোক্কী কোম্না মহাক্কী খোঙয়াদা মথায়াং লাপ্পনা কাপোক্কে না লৈরিবদুদি মহাক্না উদে। হৌজিক্তি মহাক্না মহাক্কী পাপ্তা অসুম চংবদা ঈকাইবা লৈত্রে। সৈতান্না মহাক্কী থম্মোইদা পান্নবা লাকখ্রে অমসুং মহাক্কী ফম্ফানদা নিংথৌগুম্না ফমখ্রে। হৌজিক ফাওবা মহাক্না মপান্থোংগী ফজবা অমসুং মীনা ঈকায়-খুম্নবিবা অদুদা চাউথোকচবা য়াই অদুবু "মকুংদদি অশিবগী শক্লনা অমসুং শেংদবা পূম্নমক্না থল্লি" (মাথি ২৩:২৭)।


মীনম্বগী মপা সৈতান্না থৱায় অশেংবগী মফম অদু কনশিনখ্রে। পাপকী নশক ওইরিবা শেংদবা শা খুদিংমকসু তোঙান-তোঙানবা ফত্তবা

Copyright ANGP

মরমদি থম্মোইদি মতম অমতদা ঈশ্বরগী শগু অমসুং সৈতানগী মকোন ওইবা হায়বসি ওইথোক্তবনি। নিপা নত্রগা নুপী অহুনা ওক্তবা মচানিপা অহুগুম্মা পূক্লীং হোংলক্লবা নীংহুনা ঈশ্বরগী রাহৈ ওইরিবা স্বর্গদূত অহু পূক্লীং রানা তুং হন্না-হন্না য়েংহুনা মফমদু থাদোকলয়ে। ওক্তবা মচানিপা অহুনা "ওক্লা চাবা ওকচাক অহুনা মপুক থনহলনীংলমই অহুবু মী কনানসু মঙোন্দা পীবিরমদে। তৌইগুম্বসুং মশা মথন্তা হন্থনা খল্লবদা হায়জংরকই, 'ঐনা তৌগত্তুনা পাবাগী মফমদা চৎলগা মঙোন্দা হায়জরুগে পাবা, ঐনা স্বর্গবু য়েক্লহুনা নহাক্কী নফমদা পাপ তৌরে, হৌজিক ঐ নহাক্কী নচানিপা কৌবা মতিক চাদ্রে।' (লূক ১৫ঃ ১৬-১৯)। মপা অহুনা পূক্লীং হোংলবা মচানিপা অহুবু ভাকপিরমই অমসুং মহাকপু লৌশিনবিরমই।

লাইয়েক অসিগী থম্মোইসিদি চুম্না পূক্লীং হোংলকপগী থুদম অমতা লৈতে, ঈশ্বরদসু মায় ওনশিনলক্তে, মপাপ কোকপীনবা ইবুংঙো যীশুগী খুয়াদা লাকচরবসু লৈতে। মহাক্কী অচুম-অরান খঙনবা পূক্লীং অদুসু মৈ ভাংনা ইকপা য়েংনা চাক্তুনা শিঙ্খবগুমলে। মহাক্কী মনা পাল্লি তৌইগুম্বসুং ইবুংঙোনা ভাকপিব রাদি তাদে। মহাক্কী মমিং পাল্লি অদুবু মথা নাইদবা নোংরোক্কী কোম্না মহাক্কী খোঙয়াদা মথায়াং লাংনা কাপোক্ত না লৈরিবদুদি মহাক্লা উদে। হৌজিক্তি মহাক্লা মহাক্কী পাপ্তা অসুম চঙ্খবদা ঈকাইবা লৈত্রে। সৈতান্না মহাক্কী থম্মোইদা পান্নবা লাকখ্রে অমসুং মহাক্কী ফম্ফালদা নিংথৌগুম্না ফমখ্রে। হৌজিক ফাওবা মতান্না মপান্থোংগী ফজবা অমসুং মীনা ঈকায়-খুম্নবিবা অদুদা চাউথোকচবা য়াই অদুবু "মনুংদদি অশিবগী শরুনা অমসুং শেংদবা পূম্নমক্না থল্লি" (মাথি ২৩ঃ২৭)।

মৈনম্বগী মপা সৈতান্না থরায় অশেংবগী মফম অদু কনশিনখ্রে। পাপকী নশক হুইরিবা শেংদবা শা খুদিংমকসু তোঙান-তোঙানবা ফত্তবা




(৮) পাপীগী অৱাবা পোলোই


# নীপানশুবা লাইয়েক

মকম অসিদা ঐথোয়না হোয়শাংনবা নত্রগা পূক্লীং কনশিন্দুনা লৈবা পাপী অমগী শিরমদাই মতম অতু থেংনরি, মহাক্কী মশাদস্থ অনাবা অয়েকপনা থরমগনি অমস্থং শিবগী কিবনা মহাক্কী থরায়স্থ রাবনা থস্থমগনি। অশিবনা (শরা পোলাং) নীংহৌদবা নত্রগা পামদবা মতমদা থুংলকখ্রে। লৌনম চাউবা পাপকী নুঙাইবা অতু লাম্থোকখ্রে, অতুবু তশেং তশেংবা অকিবা অমদি অরাবনা থম্বা পাপকী রায়েন অতু হৌজিক মায়োক্লগদৌরি। নোরোক্লা মহাক্কী মথূক্তা চল্লবশিংবু চেৎনা পাম্নরি। হৌজিক মহাক্লা ঈশ্বরগী মকমদা চঙজবা, চায়জবা পাম্লবস্থ মতম অস্থক শাংনা ইবুংঙো মহাক্কী নুংশিববু থৌওইদনা লৈরকপা ইবুংঙোগী মকমদা নকশিল্লকপা ঙমদ্রে। মহাক্লা তিম্নরম্বা মরুপ-মপাং-শিংস্থ মহাক্কী ফম (হিপফম) ময়াদা লেংনা কিরক্লে, অমস্থং মখোয়গী অয়েম্বা থেমজিন রাহৈশিং অতুনা মহাকপু করিস্থ পাংবা ঙমদ্রে। মহাক্কী লন-থুম অতুনা মহাক্কী পুন্সি শাংদোকহন্বা নত্রগা মাগী থরায়নু কপা নত্রগা অরা তেংথাববু পোত্থাহন্বা ঙমদ্রে। মহাক্লা ঈশ্বরগী মকমদা পূক্লীং থিংজিল্লবা কাওবা ঙমদ্রে, মরমদি দিয়াবোলনা মতুগী থুদোংচাবা অমতা মঙোন্দা পিদ্রে। মতম অমদা মহাক্লা নুংশিজরম্বা অমদি পাল্লম্বা মিপান অতুনা মহাকপু নোক্লবগুম তৌরক্লে। মহাকপু লুচিংবিরম্বশিংমক্লস্থ হৌজিক্তি মহাকপু তেংবাংবিবা ঙমদে। মহাক্লা ঈশ্বরগী থৌজালবু করিস্থ লৈতনা লৌথিবা মরম্মা হৌজিক্তি য়াথং ইন্দবগী মরাল পীবা অতুদা তারক্লে। "হিংলিবা ঈশ্বরগী খুত্তা তানা অসি অকিবা মশক্নি" (ইব্রীয় ১০:৩১) হায়রবসি হৌজিক্তি মহাক্লা থংলক্লে। থুদোংচাবা নুমিং নুমিং অমদা নত্রগা অহল ওইরগা ফম কুপ্না (ফম্ল-হিপ্ল তৌতুনা লেম্বা পুন্সি) মতমদা ঈশ্বরগা মহাক্লা শেংদোক্লগদবা পুম্মক

Copyright ANGP

শিংদোক্কে হায়না মহাক্না নীংলম্বনি অতুবু হৌজিক্তি মতু য়াম্না থেংমল্লে হায়বা মহাক্না খঙলক্লে। মী লীশিং লীশিংনা মখোয়গী অরোয়বা যম কুহংগা ঈশ্বরবু থিজবা চঙজবগী খুদোংচাবা ফংদনা খুদক খুদক্তা লম্ন-খাঙদা শিনরি। মরম অসিনা ফংবা য়াবা মতমদা ইবুংঙো মহাকপু থিজহৌবা হায়বসি তঙাইফদবনি। মহাক্কী মপুন্সিদা ঈশ্বরগী থৌজাল অমস্তুং নুংশিবিবু য়াখিদবা অমদি লৌশিনখিদবা শিগদৌরিবা পাপী অসিনা ঈশ্বরগী থৌজালগী অমস্তুং কন্নিবগী রা তাবগী মহুত্তা হৌজিক্তি হায়েল মপু হায়বদি মহাক্না য়াজখিদবা কন্নিবা মপুদগী অয়াকপা থোজেল অসি তাবা তায়ঃ "হে সিরাপ ফংবশা ঐঙোন্দগী চংহোক্তুনা দিয়াবোল অমস্তুং মাগী দূতশিংগীদমক থৌরাং তৌখ্রবা লোম্বা নাইদবা মৈদা চংলু" (মাথি ২৫ঃ৪১)। "তাইবংমীনা অমুক শিবা অদুগা অসিগী তুংদা হায়েন্বা থোক্কদবা অরেপ্পনি" (ইব্রীয় ৯ঃ২৭)।

Copyright ANGP




(৯) লানঙম্লিবা থম্মোহ।

# মাপনশুবা লাইয়েক

লাইয়েক অসিনা তমথীরবা চাংয়েং কয়া খাঙলবা অমদি অথেম্বু ঙম্লবা খৃষ্টান অমগী শক্তম উংলি। মহাকপু মায়গৈ খুদিংমক্তগী থেম্লবদা মহাক্না খৃষ্টদা লানঙম্বদগী লানঙম্বা ওইজহনা অহ্নোইবা ফাওবা চপ য়ুংনা লেপ্পুনা লৈ। মহাক্তি খৃষ্টানগী পুন্সি লমজেন অহৌ হৌবতা নত্তনা খাঙবা কন্না অহুম চেন্নি, ওইদস্ম য়েত্তস্ম য়েংদে, অহুবু "থাজবগী মপু অমস্তং চংখানহনবিবা মপু" যীশুবু য়েংজৈ।

সৈতান অমস্তং মাগী লোয়নবশিংনা ঈশ্বরদা চঙজরবা কংশিল্লবা থৱায় অহুবু কোয়শিল্লি অমস্তং শেরান্নবা চিংথোক্লবা অরেম্বদা হোংনরি। চাউথোকপা, শেলবু নুংশিবা অমস্তং লমচং চুমদবগী লাই কত্তবা অহুগা অতোপ্পশিংস্থ মসিদা য়াওরি। হৌজিক্তি কবোকৈগী মহুত্তা গধা অমা ঐখোয়না মসিদা উরি, মরমদি পাপ্পা তোঙান-তোঙানবা ফিজেত্তা নত্রগা মিংথোলদা লোংলি। মহুনা ধর্মগী মিংদা নত্রগা মঙানগী হুতকুম্না লোংনা লাক্লগস্থ মিংশেন খাঙনা চংলিবা খৃষ্টান্নদি পাপপু মশক খঙদোকপা ঙমই, মরমদি ঈশ্বরগী রাহৈনা অমদি অচুম্বগী থৱায় অহুনা মহাকপু অচুম্বা খুদিংমক্তা চিংবি। নিপা অমনা মথুং নাম্মদা য়ু লিক্লি অমা পায়রহুনা খৃষ্টানগী মমাঙদা জগোই শারহুনা তাইবঙপানগী নুংঙাইবদা থেমদোক্লবা হোংনরি। অহুম ওইনমকপু কখোকলবা খৃষ্টান অমদদি মহুনা করিস্থ শোকহনবা ঙমদে মরমদি মহাক্তি খৃষ্টগা লোয়নবা পাপ্পা অমস্তং তাইবঙপানরোমদা শিঙ্গ্রে। লাইয়েক অসিগী অনীশুবা নিপা অসিনা খৃষ্টানবু থাঙ অমনা থিল্লি। ফত্তবা ঙাওবা, মীগী ভুংদা হুন্দুনা ঙাওবা, ঈশ্বরগী য়েক্লবশিংবু শিজিন্নহুনা নোক্লবা অমস্তং কিহন্বনচিংবশিংসিনা চুম্না থাজবা খৃষ্টান অমগী থম্মোইদা থাঙনা লেপ্পা লৈতনা



Copyright ANGP

থিল্লি। তৌইগুম্বস্থং মীনা তায়বা অতু মহাক্না তাবিদে, অতুবু ঈশ্বরনা তাকপা অতুখক্তদা পূক্নীং চঙই। মহাক্না ইবুংঙো যীশুগী রাশিংতু নীং-শিংজৈ "ঐগী মরমগীদমক মীশিংনা নখোয়বু চৈরবা অমসুং ওংনৈরবা, অতুগা নখোয়গী নথক্তা ফত্তবা পূম্নমক থৈজিল্লবদা নখোয় য়াইফবনি। হরাওজো অমসুং থোইদোক্না নুংঙাইজো, মরমদি স্বর্গদা নখোয়গী মনা চাউই" (মাথি ৫ঃ১১,১২)।

পাপ, ইশা (লংজচেন্বা হকচাং) অমসুং দিয়াবোল, হায়রিবা অহুম-সিনা খৃষ্টানশিংবু ঈশ্বরগী নুংশিবদগী খাইদোক্নবা ঙম্বমথৈ তংপা লৈতনা হোংনরি। অতুমকপু চুম্না লেপ্লিবা খৃষ্টানসিনা পূক্চেল তিংনা অমসুং থাজনা হায়বা ঙমই "খৃষ্টগী নুংশিবদগী ঐখোয়বু কনানা খাইনহনবিগ-দগে? পূক্নীং ওলাংবনরা, অৱা মৈচাক্নরা, ওং-নৈবনরা, চাকতাংবনরা, (রোমীয় ৮ঃ৩৫)। "...... ...... ...... মরম পূম্নমক্তা ঐখোয়বু নুংশিবিবা ইবুং-ঙোগী মপান্না ঐখোয়না ঙম্বদগী হেন্না ঙম্বনি" (রোমীয় ৮ঃ৩৭)। ঈশ্বরগী লানফিজেৎ পূম্বা শেংচিন্দুনা ফত্তবা নুমিং লাকপদা মহাক্না লেপ্পা ঙমই অমসুং অথেম্বা অমদি য়েক্নবা খুদিংমকপু ঙমঙবা খৃষ্টগী মপান্না মহাক্না থেমদোকপা খুদিংমকপু লানথোকপা ঙমই। ইবুংঙো মহাক্কী মপান্না ঐখোয়না লানঙম্বা অমসুং মতিক মঙানগী লুহুপ যংবা হইজৈ।

থৱানমিচাক— মহাক্কী অচুম্ব-অরান খঙবগী থৱানমিচাক অসি তৱং-তরংই অমসুং ঙাল্লি। মহাক্কী থম্মোইসি থাজবা অমসুং থৱায় অশেংবনা থল্লি। ঙম্লিবা অমসুং অরোইবা ফাওবা থাঙবা মখোয় অতুদা পীরিবা মমল য়াম্লবা ৱাশকশিং অতু ঈশ্বরগী ৱাহৈ ওইরিবা স্বর্গদুতনা মঙোন্দা নীংশিংহল্লি। "ঙম্লিবা মহাক অতুদা ঐনা অরোংপা মান্না (স্বর্গগী চিঞ্জাক) পীবিগনি, অমসুং নুংঙোৌ অমা, অতুগা নুং অতুগী মথক্তা ইথ্রবা— অনৌবা মিং অমা ঐনা মঙোন্দা পীবিগনি।"

"অদুগা ঙম্লিবা অমসুং মমৈ ফাওবা ঐগী থবক মথৈ ঙাক্লিবা মঙোন্দা ঐনা জাংশিংগী মথক্তা মতিক পীবিগনি" "ঙম্লিবা মহাকপু অসুম তৌনা অঙোবা ফিজোল থোনবিগনি, অমসুং ঐনা মহাক্কী মমিং অদু হিংবগী লাইরিক্তগী থক মুথংলোই, অদুগা ঐনা মহাক্কী মমিং অদু ইপাগী অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী দূতশিংগী মাঙদা য়াবিগনি।" "ঙম্লিবা মহাকপু ঐনা ঐগী ঈশ্বরগী অশেংবা শঙদা য়ুম্বী অমা ওইহনবিগনি, অদুগা মহাক্না মফম অদুদগী অমুক হন্না চঠোক্লরোই।" "ঐনা ঙম্লদুনা ঐগী ইপাগী ফম্বান্দা ইবুংঙো মহাক্কা ফমিন্নরবা অদুগুম্না ঙম্লিবা মঙোন্দসু ঐনা ঐগী ফম্বান্দা ফম্মিন্ননবগী অয়াবা পীবিগনি।" (ফোংদোকপিবা ২ঃ৭,১১,১৭, ২৬; ৩ঃ৫,১২,২১)।

ফাংদোক্লবা শেঙ্গাও— অসিনা মহাক্কী থম্মোইবু ঈশ্বরদা কচবত্তা নত্তনা মহাক্কী লন-থুমসু কচরে হায়বদু উৎলি। মহাক্কী লৈজবা মান-চাং অরেম্বদা শিজিন্নদদুনা মহাক্না লাইরবশিংবু তেংবাংবি, মহাক্না ৎংজবগী শরুক তরাগী অমা (টাইথ) ঈশ্বরগী থবক্কীদমক পী, অসিত্তা নত্তনা মহাক্কী লৈজবা পূম্বা ঈশ্বরগী মফমদা শিন্নজৈ অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী মতিক মঙান-গীদমক শিজিন্নৈ।

তন্দুম অমসুং ঙা— অসিনা অশেংবা অমসুং ঈং-তপ্পা লেন্বা পুন্সিবু ফোংদোকই। মহাক্কী মশা ঙাওহন্বা মগী-মনাই থক্তুনা নত্রগা ঈ চাদুনা নত্রগা লাকহত্তুনা শিবা নত্রগা করিগুম্বা শেংদবা চিঞ্জাক চাদুনা মশাবু মাঙহন্দে। মহাক্না অরেম্বদা শেল হুন্দোক্তে অদুগা ঈশ্বরগী শঙ ওইরিবা হকচাংবুসু হিদাকমনা উমদুনা নত্রগা মৈথু থক্তুনা অমসুং হকচাং মাঙ-হন্বা হিদাক-লাংথক শিজিন্নদুনা মাঙহন্দে অদুবু মচি ওইবা অফবা অশেংবা চিঞ্জাক চায়। মহাক্কী থম্মোই অসিমক ঈশ্বরদা হায়জফম শঙ

Copyright ANGP

অমগুম ওইরক্লে। মহাক্না শিংলুপ ( চর্চ ) তিন্নবদস্থ চাং নাই অমস্থং ঈশ্বরবু কিনা লুনা নীংজহুনা ময়াম তিন্নমিন্নৈ। খুদোংচাবা চাদবা মতম হায়বা খায়দনা লেপ্পা লৈতনা মতু পাংথোকই। ময়ামগী ওইবা হায়জফম শংদা ওইরবস্থ মহাক্কী ইমুং-মনুংগী ওইরবস্থ নম্রগা মহাক মশাগীতা ওইবা অরোংপা কাদা ওইরবস্থ ঈশ্বরদা হায়জবা অসি মহাক্না পামজৈ। মরমদি ঈশ্বরগা লোয়নজবা নত্তনদি খৃষ্টান পুন্সি লেম্বা ওইথোক্তে হায়বসি মহাক্না খংই।

ফাক্লোক্লবা লাইরিক— অসিনা খংহল্লিবদি বাইবলসি মতোন্দদি হাংদোক্লবা লাইরিক অমনি। মসি মহাক্না নুমিং খুদিংগী পাই অমস্থং নৈনৈ। মহাক্না মসিদগী লৌশিং, পাঙ্গল, অহিংবা অমস্থং মতান ফংই। মসিনা মহাক্কী খোংথাংফমগী মতান অমস্থং য়েক্লবশিংবু মায়থীবা পীরিবা থাংশাং ওই। মসি মহাক্কী নুমিং খুদিংগী ওইবা থৱায়গী চিঙ্জাক্নি, খৌরাংবা কোক্লবা ঈশিংনি, মশাবু শেংদোকচনবা ঈরুজফমনি অমস্থং মশামকপু উজবা ফংলিবা মিংশেলনি।

মহাক্না খৃষ্টগী মরমদা অৱা খাংবা পামই মরমদি অৱাবা খাংদনা কোক্কথোন ফংলোই হায়বসি মহাক্না খংই। মহাক খৃষ্টগা লোয়ননা অনৌবা পুন্সি ফংহুনা হৌগংমিন্নখ্রে হায়বসি খংজবগা লোয়ননা মথক লোমগী ওইবা লোম্বা নাইদবা অমস্থং উঙমদবা হিরমশিংবু থিজৈ। মহাক ঈশ্বরবু উজনবা থৌৱাং লোইরে; ঈশিং ময়াদা হৌবা উপানগুম্না মতম চানা মহৈ পাল্লি, অশেংবা আঙ্গুর পাম্বী অমগী মশাগুম্না মহৈ য়াম্না য়াল্লি। মতোন্দা শিবগী অকিবা লৈতে, মরমদি থৱায় অশেংবগী মপান্না ফংজখ্রবা ঈশ্বরগী মপুং ফাবা নুংশিবনা মহাক্কী থম্মোয়বু পুমথন থল্লি।




(১০) নতিক মচান ওইরবা য়ুমচঙবা

# তরাশুবা লাইয়েক

যীশুনা হায়, “হিংগংপা অমসুং হিংবদু ঐমক্কি, ঐবু থাজবা মীদু শিরবসু হিংগনি। অদুগা হিংদুনা ঐবু থাজবা মী খুদিংনা কৈদৌউঙদসু শিরোই” (যোহান ১১:২৫,২৬)। “ঐগী ৱা তাবা অমসুং ঐবু থারকপা ইবুংঙো মহাকপু থাজবা মহাক অদুনা লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংলে, অদুগা ৱায়েন্বদা মহাক য়াওরোই; তৌইগুম্বসুং মহাক্তি অশিবদগী অহিংবদা লান্থোক্লে” (যোহান ৫:২৪)। অশিবা হায়বসিনা খৃষ্টান অমবু ৱাহংনা অমদি কিহন্বা ঙমদে। “শিববু অঙম্বনা য়োথোকখ্রে। হে শিবা, নঙগী নমু কদাম্নদনো? হে মোঙফম, নহাক্কী ঙম্বা কদায়দনো? ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী মপান্না অঙম্বা অদু ঐখোয়দা পীবিবা ঈশ্বরবু থাগৎপা ওইসনু” (১ কোরিন্থঃ ১৫:৫৪-৫৭)।

ঈশ্বরগা লোয়নজখ্রবা অমসুং চংমিন্নখ্রবা মী অমনা শিবদু কিবা নৈতে। মহাক্কী অরোইবা পুংফম লাক্লবদা মহাক্না হরাওনা চৎখিগনি, মসি পাথোনচৎপা পোলনা অসুম্না ফোংদোকই “চৎথোকতুনা খৃষ্টগা লোয়নননা লৈবা পামজৈ------ ------ মসিনা য়াম্না হেন্না ফবনি” (ফিলি: ১:২৩)।

মহাক্কীদমক ক্রোস্তা শিবিদুনা পাপ্তুগী হন্দোকপিবা মবুংঙো যীশুগী মায়থোংদু খৃষ্টান অমনা খোরাংনা উজনিংই। থৱায় অশেংবনসু ইবুংঙো যীশু খৃষ্টগী ৱাহৈদু মহাকপু নীংশিংহল্লি, “নখোয়গী পুক্নীং ওল্লাংওনশাওবা তৌদসনু, ঈশ্বরবু থাজো, ঐবুসু থাজো। ঐগী ইপাগী য়ুমদা লৈফম য়াম্না লৈ------ ------ ------ ঐনা লৈবা মফম অদুদা নখোয়সু লৈননবা ঐনা অমুক লাক্তুনা নখোয়বু ইনাক্তা পুবিগনি” (যোহান ১৪:১-৪)। “মিৎনা উদবা, নানা তাদবা অমসুং মীওইবগী পুক্নীংদা চঙদবা পুম্নমক অদু ঈশ্বরনা ইবুংঙো মহাকপু নুংশিবশিংগীদমক থৌরাং তৌরিখ্রে” (১ কোরিন্থঃ ২:৯)। মালেমসিদা লৈরিঙৈদা ইবুংঙো যীশু খৃষ্টগী তুং ইন্দুনা

চৎলম্বা মখোয় অতুগীদমক্তা থৌরাং তৌরিবা স্বর্গগী মতিক মঙান অতু ময়েক শেংনা নত্রগা শুগায়না ফোংদোকপা য়াবা লোন লৈতে।

অরোইবা লাইয়েকসিদদি অকিবগী মশক ওইরবা শক্ল পোলাংগী (শিবা) মহুত্তা স্বর্গদুত নত্রগা ঈশ্বরগী পাউপুবা অসি উরি। পাপ কোকপীদুনা চুক্কাম্বিবা ফংলবা থবায় অসিবু ঈশ্বরগী মফমদা পুবিনবা ঙাইবিরি। মাগী থবায়না শিবা নাইবা হকচাং থাদোকতুনা মানা নুংশিজবা মবুংঙোগী মফমদা হাংদোক্লবা স্বর্গগী থোঙ্গান্দা পাইখৎলি।

ঈশ্বরগী মফমদা মহাকপু হরাউ-তবাম্মা ওকপিনবা ঙাইরি; মফম অদুদা মহাক্কী মবুংঙো অমসুং মপুনা, "য়াম্মা ফরে, অফবা অমসুং থাজবা য়াবা ইনাই,...... ...... ...... নবুংঙোগী হরাওবদা চঙজরো" (মাথি ২৫:২১) হায়বা থাগৎ-বাহৈশিং অসি হায়দুনা মহাকপু তরাম্না তৌবি। সৈতান্না মহাকপু শোক্লবা পাঙ্গল লৈত্রে, মরমদি "যহোবাগী অশেংবশিংনা (ঈশ্বরগী মনাইনা) শিবদি ইবুংঙো মহাক্কী মিংয়েংদা মমল য়াম্বনি" (ঈশৈ ১১৬:১৫)। স্বর্গদগী খোঞ্জেল অমনা অসুম্না হায়বা ঐনা তারে, "ইশিল্লু, হৌজিক্তগী হৌনা প্রভুদা শিবশিং য়াইফেঃ থবায় অদুনা হায়, হোয়, মখোয় মখোয়গী নোম্বদগী পোথাজসু; মরমদি মখোয়গী থবক মখোয়গা লোয়নৈ" (ফোং ঃ ১৪:১৩)।

## অরোইবগী পাওমেন

পাবিরিবা মক্লপ, নহাকপু নুংশিবিবা ইবুংঙোদা নহাক্কী থম্মোই পীখোকচবগী মতাংদা ঈশ্বরনা নহাকপু পাংবিবা ওইসনু। ইবুংঙোনা নঙোন্দা অসুম্না হায়বিরি, "ঐগী ইচানিপা (ইচানুপী) নহাক্কী থম্মোই ঐঙোন্দা পীয়ু" (পাউরো ২৩:২৬)। যীশুদা নহাক্কী চোকথরবা, নীংবা কায়রবা কিন্থরবা থম্মোইদু পীবিয়ু, অদুগা ইবুংঙো মহাক্না নঙোন্দা, অনোবা

থম্মোই অমসুং থরায় হাপ্পিগনি। নহাক্কী লৌনম চাউবা থম্মোইগী তুং ইন্দুনা নশাবু মিনমহনগনু, মরমদি, মশাদা থাজবা থল্লিবা মঃাক অদুদি অপঙবনি, অদুবু শিংনা চংলিবা মহাকপু কন্বিগনি” (পাউরো ২৮ঃ২৬)।

নপাপশিং লংশেক্তুনা অচুম্ববু চেংনা পায়য়ু, মরমদি, “পাপকী অতৌমন্দি শিবনি, তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী চান্বিবা খুদোন্দি ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টদা লোম্বা নাইদনা হিংবনি” (রোমিয় ৬ঃ২৩)।

অদুগা, ঈশ্বরদা নপুন্সি শিন্নজরবশা, “যীশু খৃষ্টদা লৈবা থাজবা অমসুং নুংশিবদা চেংনা লেপউ।” পাখোন চংপা পোলনা ২তীমঃ ২ঃ১২দা অসুম্না হায়খি, “অদুগা ঐনা থাজরবা ইবুংঙোবু ঐনা খঙজৈ, অদুগা ঐন। ইবুংঙোদা শিন্নজখিবা অদু ইবুংঙোনা নুমিং অদু ফাওবা ঙাকপিবা ঙম্মী হায়বা ঐনা থাজৈ।” থোইদোক্লা শেংলবা থাজবা অদুদা নশামক শেমগংচৌ, থরায় অশেংবগী মপাঃা হায়জৌ, ঈশ্বরগী নুংশিবদা নশামক শিন্নজৌ। লম্বী, অচুম্বা অমসুং হিংবসু ওইরিবা, অমসুং মঃাক্কী মী-শিংবু থুনা লৌবা লাক্লিবা— “নিংথৌশিংগী নিংথৌ অমসুং মপুশিংগী মপু” যীশুদা য়েংজদুনা পূম্নমক অসি পাঙথোকউ।

“হৌজিক্তি, খুদি থীদনবা নখোয়বু ঙাকপীবা অমসুং হরাওবদা অমকপা য়াওদনা ইবুংঙো মহাক্কী মতিক মঙানগী মাঙদা নখোয়বু পেল-হনবা ঙম্বা, ঐখোয়গী কন্বিবা মপু অমতা ঙায়বা ঈশ্বরদা ইকাইখুম্নবা মতিক মঙাল চাউবা, পাঙ্গল্বা অমসুং মপু ওইবা, হৌজিক অমসুং লোম্বা নাইদবা ফাওবা ওইসনু। আমেন” (যিহুদা ২৪, ২৫)।

□ □ □

**A SPECIAL WORD FROM ANGP**

**UN MONDE SPÉCIAL DE L'ANGP**

**UMA PALAVRA ESPECIAL DA ANGP**

**This booklet "The Heart of Man" is available in over 538 languages and dialects spoken throughout the world (Africa, Asia, The Far East, South America, Europe, etc.) Our Heart Book is now also available on cell phones, tablets, etc from www.angp-hb.co.za or as an APP "Heart of Man" on Android phones.**

**Le livre du "Coeur de l'homme" peut etre obtenu en plus de 538 langues et dialectes parles dans le monde entier, a savoir: Afrique, Amerique, Asie, Extreme Orient, Europe. Notre Livre du Coeur est maintenant aussi disponible sur votre Telephone cellular, plaques, etc. de www.angp-hb.co.za ou comme une Application "Heart of Man" sur telephones Android.**

**Este livro "O Coracao do Homem" e obtído em mais de 538 linguas e dialectos falados em todo o mundo, a saber: (Africa, Asia, America do Sul, Extremo Oriente, Europa, etc). O nosso Livro O Coração do Homem tambem esta agora disponivel em telefone celular, tablets, etc. de www.angp-hb.co.za ou como um aplicativo "Heart of Man" nos telephones celulares Android.**

Copyright ANGP

**The 10 heart pictures contained in this booklet are also available in the form of large coloured picture charts (86 x 61cm) bound together in a set of 10 pictures. These "Heart Charts" can be obtained with European or African features and are particularly suitable to be used in conjunction with the Heart Book for class-teaching, open air evangelization etc. Kindly contact us to ascertain the latest subsidized price of this chart.**

**Les 10 images du coeur qui figurent dans ce livre peuvent etre obtenues en tableaux de couleur, format 86 x 61 cm, avec des physionomies europeennes ou africaines. Ils peuvent etre utilises en meme temps que le livre du coeur pour des classes bibliques, a**

l'ecole du dimanche ou lors de reunions de plein air. Soyez aimable de nous contacter pour assurer les derniers prix en cours du tableau.

As 10 imagens do coracao, contidas neste livro podem ser obtidas num conjunto de 10 imagens em colorido no tamanho de (86 x 61 cm). Estes "Cartazes do Coracao podem ser obtfdos com caracterfsticas Europeias e Africanas e podem ser usados em conjuncao com o mesmo livro em classes de ensino biblico, evangelizacao ou ao ar livre. Agradeciamos que nos contacta- se para confirmacao do ultimo preco dos cartazes.



Kindly write to us if you are able to assist us with further translations of our free Gospel literature, informing us of the language into which you could translate this Gospel literature. Your assistance would be appreciated.

Copyright ANGP

If you have found salvation in Christ, or have been otherwise blessed through our Gospel literature, please let us know. We would like to thank God with you, and remember you further in our prayers.

Nous vous invitons a nous contacter pour faire des arrangements concernant de nouvelles traductions de notre litterature, nous informant de la langue dans laquelle vous pouvez traduire cette litterature evangelique. Votre aide sera beaucoup appreciee.

Si vous avez trouve le salut en Christ ou si vous avez ete beni par notre litterature, nous vous prions de nous le faire savoir. Nous aimerions remercier Dieu avec vous et prier pour vous.

Nos vos convidamos a nos contactar, afim de fazer qualquer arranjo concernente a novas traducoes de nossa literatura em outras Ifnguas. Vossa assistencia sera muito apreciavel.

Se tem encontrado a salvacao em Cristo, ou se tem sido abencoado por intermedio da nossa literatura evangelica, faca o favor de nos

informar. Pois nos gostarfamos de agradecer a Deus juntamente convosco, e lembra-lo sempre em nossas oracoes.

For free Gospel literature, books and tracts in over 538 languages, write to:

Pour obtenir gratuitement de la litterature evangelique, des livres et des traites en plus de 538 langues, ecrivez a:

Para obter gratuftamente a literatura evangelica, livros e folhetos em mais de 538 Ifnguas diferentes escreva para:

E-MAIL: info@angp-hb.co.za
info@angp.co.za

**ALL NATIONS GOSPEL PUBLISHERS**
**P.O. Box 2191**
**PRETORIA**
**0001**
**R.S.A.**

Copyright ANGP

A Gospel Literature Mission financed by donations
Une Mission de litterature evangelique financee de dons
Missao de literatura Evanqelica financiada por donativos

(Reg. No. 1961/001798/08)